কোঙজব :—
ওল মণিপুর বুধিস্ত এসোসিয়েসন, ইম্ফাল



১বা কোঙবা - বুদ্ধ পুর্ণিমা

নিংথৌকাব

তাং ১৮।৫।৮১ ইং

কোপি - ১৫০০

মমল লুপা ৭·০০

নম্বম - মণিপুর গীতা প্রেস, শিংজমৈ বাজার, ইম্ফাল।

ৱাহৈ অমতং

হৌজিক "ওল মণিপুর বুধিস্ত এসোসিয়েসন" না অহানব ওইনা পুথোকচরিব পৈক্লদি উরগ মগুণনা চাউরব লাইরিক অসি চাসিদগী চহি ২৫০০ গী নমাংগদ পোকখিব, পৃথিবী নাকপাক অমন মহাক্কী ধর্ম্ম চৎলিব; ব্রাহ্মণশিংগী নত্তু-ওইদব লোনম·লাংথাক কয়াবু তুং-ওইনন্নব, মুংশি চাউরব, অশেংব মীওইবগী খম্নোইগী নিংথৌ ভগবান্ বুদ্ধগী তাঙলব পান্ডিত্যাক ৱারেং ৪১ থক তোঙান-তোঙানব বৌধ শাস্ত্রশিংদগী নিংথৌমচা সনাজাওব, ৱবো লৈকাই (ফুলাপেনদ) লৈবন থোমজিন্নব অমনি।

মসি কোঙনব হোৎনবদ থোংজুদ লৈব ইবুঙো খরিবম ইবোমচানা লেনগী মতেং পীবিখি, অদুগ গীতা প্রেসকী ষ্টাফনা থবায় য়াওনা হোৎনবিখি। মসিগীদমক ইবুঙোশিং অসিগী মফমদ তোবিমল থগৎব উচ্চরি।

বুদ্ধ পূর্ণিমা
নিংথৌকাব
তাং ১৮।৫।৮১ ইং

ডাক্তর এম, এস, নিঙোম্ব
সেক্রেটরী,
ওল মণিপুর বুধিস্ত এসোসিয়েসন।

হাঙৌদোক

মৈহৌরোল

খ্রিস্তনা পোক্লম্দ্রৈংগী চহি কুমসিং ৬০০ কী মমাং য়াম্না উপ্লিথৈবদগী হোম যাগ্যোনাসিংনা বেদগী চৎনবীনি কায়ত্রনা মী হাত্নুনা (নরমেধ), সগোল হাত্নুনা (অশ্বমেধ), সন হাত্নুনা (গোমেধ) অমদি হিংসা যম্না তৌদুনা পাক-সন্না লাইনিংগী লাইসোন তৌরক্লবদ অরোং ভারতত্ত হা-হা-কার লাণ্ডবা জুক (যুগ) অম ওরগী। হায়রিবা জুক অসিগী প্রতিকার ওয়না অহিংসা পরম ধরম (ধরোয় পানবা হাত্তবনা অথোয়বা ধরমনি) হায়বা খোল্লাউবা মাহোম নংনা লাউ-খোংত্রনা জৈনজম্ অমদি বুধিজম্ হায়বা ধরম অনি অসি পোকখী।

মিংথৌরেল অসোক (খ্রিস্ত মমাং চহি কুমসিং ২৩২ দ লৈখিদরবা) না বোধ ধরমবু য়াম্না পাম্জনা তৌখী। শ্রীলংকাদ বোধ ধরম সন্দোকহনখী। বোধ ধরমনা মপাল ফরিবৈদ হিংসাগী মরি লৈনবা হৈরাং-থৌনি পুম্নমক থিংখী।

গুপ্তসিংগী লৈবাক রায়েন-থৌদা তৌরবা খ্রিস্ত কুমজা ৩২০ দগী হৌনা ভারতত্ত বোধ ধরমগী মুমিৎ তাবা হৌখী। খ্রিস্ত কুম্জা ৭০০ দগী ১১০০ ফাউবা পালসিংনা ভারতকী মপু ওইরিবৈদ বোধ ধরমগী মরু ওইবা মকম্ পুম্নমক মাং-তাকহনখী। অদুবু

ঙসিদি ভারত্ত বৌধ ধরমগী অবৌব ঈনোৎ অম নৌন লাক্লি। মসি ভারত সরকারগী অচুম্ব থৌসিন্দগীনি হায়না লৌবৈ।

ভারতগী মাংখিব

বৌধ ধরমন খরায় পান্‌বসিংবু হাত্তুন ঈরাৎ-পূজা তৌববু থোংন সাংনখী। অসিগুম্ব থৌওং অসিবু হিন্দু ধরমগী থৌবু ওয়বিব বামোন্‌সিংন লমন্‌ খুমপদবগী ভাঞ্জা হায়চুন লৈখী। যুমদাংচুন কয়নাববব পাঙলসিংনস্থ বৌধ ধরমবু তাথিরম্মী। ধরম অসিবু সৌগৎলীরম নিংথৌরেল কয়াস্থ লৈখিস্রে অচুগ লোয়নন বৌধ ধরমস্থ কাংলূপ অনি থোক্ল খায়দোকখী। পুরণক্ অসিন মরম ওয়চুন বৌধ ধরমন ভারতগী নাথৈখী।

অতৈ লৈবাক্ত

খায়দগী অহানব ওয়ন বৌধ ধরমগী য়াকাবুং ওয়খিবদি শ্রীলংকা অমস্থং চীনানি। মথং মথং বামোন্‌গী সউম্‌ কংদব পাঙলগী লাল্‌-লাউ ভাদব লৈবাক্‌সিং হায়বদি কোরিয়া, জাপান্‌. তিবৎ. বরমা, থাইলেন্দ, কেম্‌পুচিয়া, লাউজ, ভিয়েৎনামনচিংব লৈবাকসিংদ বৌধ ধরম সন্দোক্‌খী। মতৌ অস্থম সকমান-চুমায়ব, পারি পুরিবু নীংজব, অরিব লায়নিং-লায়সোল মায়ব মীওয় কাংলুপসিংগী অমত্ত ভায়রব ধরমবু ঙসি বৌধ ধরম হায়না খংনরি। মণিপুরদস্থ অচু

মঙাই ; নেপাল, সিকিম, ভুতান্নচিংব মফমদস্তু অদু মঙাই, অমন্ব মতমদগী হৌন বৌধ ধরমবু থ'গোন্নরকপ ঙাক্তনি ।

মীতৈ পুয়া অমসুং বৌধ ধর্ম্ম—

“সালায়লেল্ পোক্লেস্ পোকপা তায়পংকী তৌলক্কম্ ঈপুংঙো মাকী পীপুক্নুং'তা মালেম্ সীল্-থু'না নমূ-পোং ওয়পা লৈসেম্-থল্লেমপা থুল্তা লৈতারপতা। হে মীওয়পা কাউ-চল্থিকল্পা নখোয়ত্তি মৈহৌ-লাংহৌ লাক্পা, সা-লাল্ থোক্‌পতা অমনা অমপু হন্না য়েংনত্তুনা অয়াপা তাদে হায়পা থল্খি-ত্তপলা। অতু নোংকৌপু তিল্লাং-তিল্য়োৎন তায়পং মপুলেল্ সিতপা পায়না নুংতা বাখল্ ঈলাক্নখিতপলা। নমুপোং ওয়পা কিচেৎকুম্ কিলোল মায়, লা-কুম্ লালাকু থায় খুল্লিং খুল্তাচ-সনো। মাতুমস্তু মতোমতে তায়পং য়াব্রা সীংনায়তে। মাকী মাকী য়াবা থোল্চেল্ মনিল্ নায়না পাল্চসনো। মসায়কোল্তা ঈলাৎ-থৌদি ওয়সনো অসি হায়না কুপিখিতপলা। ঈপু'ংঙো মাবা হয়েং নমূ-পোং ওয়পা মনীংতম্বা পাল্লপা মালেম্ সীল্ থুংপা মতম্তা তায়পং সেম্পা সিতা-নাতপা পুম্পাপু পোকৃপা “অপোকৃপা” অমা লৈএ' থংহলপা চুম্পনে নীংখিতপলা। অতু নোংকৌপু ঈপুংঙো মাত্তি অমতনে চপ্ মানপনে নমু পোং ওয়পসিংতা থংলন্পা রাপু হায়নপা মীথোয় মীলেল্পা অমা তায়পং মালেমতা থাকতপনে হায়তপলা। ঈপুংঙোকী পীপুক্নুংতা বাখল্ হৈলু হুল্খিপা মাংপা য়াতপনা কপিলাপাসতু মপুংয়ায়তা সায়কিয়া

সাকৈকী মীথোয়নেল্ সুখোতোল্কী লালোয়নেল্ মায়াকী থোয়চিথাকা তায়পং মিতম্থী কায়তপনা ।”

মীতৈ পুয়াগী য়াথোল্ অসি হৌজিক্ ফাওবা পুংচুম্ চুম্মি। চিনা, জাপান, কোরিয়া, ভিয়েৎনাম, লাউজ, কেম্পুচিয়া, থায়লেন্দ, বরমা, তিবেৎচিংবা লৈবাক্সিং অসি মনাং-মথা ওয়া লৈবাক্ লাক্লনি। লোনস্তু তোঙান্ তোঙান্ হাংনৌ। মাগী মাগী লায়নিং-লায়সোল্ থাজব কয়া অমস্তু অতুম চংনরি; লায়বদি—চিনাদ কন্ফুসিঅস, তাওইজম্ অমদি মপা-মপু নীংব; জাপানদ সীন্তো অমদি মপা-মপু নীংব; কোরিয়া, ভিয়েৎনাম, লাউজ, কেমপুচিয়া, থায়লেন্দ, বরমা, তিবেৎচিংবা লৈবাক্তা মপা-মপু নীংব, তিল্লিং-লায়মিং ঈরাং-থৌন হোৎ অসি মৌজিকস্তু অতুম চংনরি। অতুম ওইনমক্ লায়রিবা লৈবাকসিং অসি বৌধ ধরম চংপ লৈবাক লাক্লনি। বৌধ ধরমদ অাথংব লৈতে। মসিদি তায়বং মালেমসিগী লায়নিং লায়সোন্নি; মরম অসিন মসা মসাগী থাজব লায়নিং-লায়সোন কয়াস্তু কায়দনা লৈজব য়াৎরিবনি। মীতৈঙুমব মপা-মপু নীংজব, মসাগী লায়নিং-লায়সোন লৈজব থুম্মায়াসংগীদমক্তা বৌধ ধরমন অথোয়বনি।

মণিপুরদ গৌতম বুদ্ধবু অচৌব মচমদগী হৌনা 'কৌতুমুনি' হায়না খংনৈ। চিনাদন 'সায়কমুনি' হায়না খংনৈ।

ওল মণিপুর বুধিস্ত এসোসিয়েসন

ইম্ফাল।

হীরম লামায়

অহানবা ধর্ম্মগী পাউতাক

বেনারস মনাক্ত লৈবা সরনাথ হায়রবা মফম অদুদ মহাক্না অহানবা ধর্ম্মগী পাউতাক পীরদুনা মহাক্না অহানবা শিষ্য মঙা অদুদ মঙাল ফংলবা অদুনা হায়রখি :

ভিক্ষুশিং, অচুম্ববু খিরিবা মীশিংনা মতম লৈবাক্থিবক কা-তেনবা অনিথক থাদোকপবনি। অহানবদ থাদোকপবদি অকে-অমো অমসু কামগী পুক্নি অদুনি। মরমদি মসিনা মীওইববু অপাম্বগী মীনাই ওইহল্লি অমসু মাগী মী অম ওইবগী মগুণশিং অদু মাঙহল্লি। অনিশুবদ থাদোকপবদি তপস্যা তৌদুনা মশা মথন্তবু ওৎচবগী পুক্সিদুনি। মরমদি মসিনা অনাবা ওইবদ নত্তুনা কায়দবা অমন ওইহল্লি। ময়াই ওইবা লম্বী চৎপনা থাইদগী তেম কৈ, মসিনা মবৈথংদ নির্ব্বান ফংনবা অত্তুর জ্ঞান অমসু পুরীং মকা-লাম্ব ওইহল্লি।

অদুদি ময়াই ওইবা লম্বী হায়রবসি করিনো? মসি মরম নিপাল থোক্ল হোৎনবগী উপাই অমনা ইশা ইতোমতবু লাক-শিনজবগী কিবম অমনি। ঐহাক্না মসিবু নিপাল লোঙবা লম্বী কৌই। মাসদ চুম্ন থঙবা, অচুম্ব থৌইনসন, অচুম্ব বাঙাঙ, অচুম্ব লমচৎ, অচুম্ব শিনফম, চুম্ন হোৎনবা, চুম্ন পুক্নীং ফিংজিনবা অমসুং অচুম্বদ ধ্যান তৌবশিং অসি য়াওই। অচুম্ব লম্বী নিপাল অনি

চৎপ কনাগুম্বদি মরৈবংদা অরান্ খুবম য়োগদা দর্শনীক শক্তি অমসুং পুক্নীং মুত্থাইবদু হেনগৎলকই।

ভিক্ষুশিং, হৌবিক, ঐ অখোইবু অচুম মরি অমসুং হায়গে। মখোয় অহুদি অরাব, অরাবগী মরম, অরাবগী মরু অমসুং অচুমগী লম্বী নিপাল অসিনি।

১। অরাব হায়বসি মরম খুদিংমক্কী লৈ: অহন ওইবা, লায়না অমসুং অশিবা, কায়নবা, নীংবা থুংদবা অমসুং নীংবা কায়বা পুম্নমক অসিন অরাব ওইরকই। অদুগা অরাবগী সংসার অসিগা লৈনবা মরি পুম্নমক অদুম্না অরাবদা অদুম তায়রকই।

২। অপাম্বন অরাবগী মরমনি: অপাম্বা হায়বসি মশাগী ওইজবা থিবা, হেম হেম পাম্বা, অপেনবা লৈত্তবা, মিৎ তাঙবা শক্তি অমনি। নীংবা থুংদবা অমসুং কায়নবা হায়বসি অপাম্বগী মায় মরু ওইবা অমনি। মসি করৌতৌদসু নীংবা থুংবা লৈতে, অদুগা মতম পুম্নমক্ত অরাবদা ওইহল্লি।

৩। অপাম্ব লৈত্তবন অরাবগী মরু মাংহল্লি: অরাবগী হৌরককম মাংহন্নবগী অমত্তা থাইরবা লম্বীদি মসিগী মরু অপাম্ব মাংহনবনি। করিগুম্বা অপাম্বসি হেনগৎহল্লবদি অরাবসিসু শন্দোরকনি।

৪। লম্বী নিপাল অসিন পুক্নীংবু নিয়ম নাইহল্লি অমসুং অপাম্ববু মাংহল্লি। অদুম্বা থওবা, পুক্নীংগী থৌইনশিন, রাজাও, লমচৎ অসিনচিংবন মীওইবন মশাগী অপাম্ববু নমহন্দুনা অরাংবা থাক পুখৎপ ওমই।

ভিক্ষুশিং, মখোয়শিং অসি অচৌব অচুম মরি অঙনি। মখোয় অসি খঙবদগী জ্ঞান অমসু অশিংব হায়বসু ঐতোম্না লাকই অমসু ঐন মঙাল ফংব হায়বসু ওইব ঙমই।

মঙাল ফংলব অচুন অসুম্ন হায়রমই অচুপ ভিক্ষু মঙা অচুন মচুদ মখোয়গী সুঙাইজবসু কোঙদোকচরমই।

(মাজ্ঝিমা নিকায়া)

(২)

ইন্দ্রিয়গী নুঙাইবশিং

ইন্দ্রিয়গী নুঙাইবশিং অসিদগী মীওইবন করি অফেনব ফংব ঙমগে?

ইন্দ্রিয়গী নুঙাইব মথম মঙা লৈ। থরাইদ ভাব দৃশ্যশিং মিৎ অসিন য়েংজব, পুক্রীংন য়াজব খোজেলশিং নাকোংন তাজব, নাতোম্ন মুংশিব মনম নমজব, লৈয়েংন অফব মহাও তংজব অমসু হকচাংন নুঙাইরব পোৎশিং শোক্তুন নুঙাইব ফাওজব অসিনি।

ইন্দ্রিয়গী নুঙাইবশিং অসিদগী ফংবসু করিনো?

ইকাইখুম্নিঙাই ওইরব মীনাই মীশন লোইব নহা মুপা অমগী বাকম থমদি। মহাক্ক ফনা কম নোমজনসু মাগী মরাইবক শেম ঙমজদে। মহাক রায়, মরমদি মহাক্ক ইন্দ্রিয়গী নুঙাইব ফংদে।

অমরোমদ, মহাক্ক মাগী মীনাইশিং অমসুং মহাকী মরাইবক মায় পাকচরবদি মহু চাকচনবগীদমক মপুক্ষীংদ লাওতক্লব অদ

ওই। মহাক্না ইন্দ্রিগী সুভাইবশিং অদু শেম্নবদ যিপাইহৈগ্রে। অম-কোমদ মচু মাঙহল্লুগদব হুয়ানব অমসু লুট তৌবশিংগীদমক অকিব পোকই। অদুগ, মহাকী ভাক-শেনজব অদুগী মথক্তা অকব মরাইবক অদু হুবিগ্রব নত্রগ লুট তৌবিগ্রবদি অমাঙব অদুদ অরাব ওই। মহাক্না রায়— মরমদি মহাকী ইন্দ্রিগী সুভাইবশিং অদু মহোন্দগী লৌথোকপিগ্রে।

মতৌ অসুম্না, ইন্দ্রিগী সুভাইবদ পূক্নীং লুপ্ন মীশিংনা মচু ফংবদ মায় পাকত্রবদি অরাবগী মায়োক্নফম ওই। করিগুম্বা সুভাইবচু ফংলগসু অরাব ওই। মরমদি মহাকী থস্মোয়দ সুভাইবচু মাঙ-হনবিগদবগী লাইভক্নব অম লৈ অমসুং মচুন মাগী শান্তি থুগাই। অদুগ সুভাইবচু মহোন্দগী মাঙপ্রগন অমুক হেন্ন অরাবদ ভাই

ইন্দ্রিগী সুভাইবদ মিহৌক্নবিব অসিম অরা-অনা পুন্নমকী তৌরককদনি। নিংথৌশিংনা নিংথৌশিংগ লান তৌনবিবগুম্ব মসিগীদমক্তনি। প্রজাশিংনা প্রজাশিংগ থেনবিব অমদি মচিন-মনাও থেনবিবশিং পুম্নমক অসি মসিগীদমক্তনি মচুন মীওইবাসবু মাঙ-তাকপ অমসুং অশিবগী চাকথিফম অম ওইরক্লি।

ইন্দ্রিগী সুভাইবশিংদ নৈরিব খুদোংথীব কায়বচু মসিনি। মীওইবন হুয়ানব, লুট তৌব, মীনম্বনচিংব তৌদুন দণ্ডিগী মওঙদ মশীং থীঙমত্রব অরাব নংলিবশিংগী মরমমু ইন্দ্রিগী সুভাইবদ মিহৌক্নবসিননি

ইন্দ্রিগী সুভাইবদ মিহৌব অসিন মরম ওইদুন মীওইবন থবক্ত, রাহৈদ অমদি রাথলদ কভাওনৈ কমসু হিংলিনৈ অসিদ

নত্তন শিরব মতুং কাওবদ অকিব ফংব নরক্ত শাক্লকুন অৱাব ফংই

কনাগুম্ব অমবু ইন্দ্রিগী মুঙাইব অসিদগী কন্নবব লম্বী অদু করিনো ?

ইন্দ্রিগী মুঙাইব অসিদগী নান্থোক্নবগী অমত্ত হাইরব লম্বীদি অপম্ব পুম্নমক্কী থাদে কপানি। অদোমগী মুঙাইব অমসুং ইন্দ্রিগী মঙাইবশিং অসনী থৌনম থজদব নীংশিংনা অকোক্পশি দু মুক্তিগী পাউতাক পীব হায়দে। খুদমগীদমক মিংন উবশিংদগী ফব মুক্ত হব অম শোইরসি নমা ওইরবী মুপী অমগী মথোৎ কাখৎ-লককী কুমৎপ শক্কমন মিৎকী মুঙাইব অম ওইব য়াই। অদুবনক, হেৎবন পুক্নীং হুব খুদিংমক্ক মিৎকী মুঙাইব নী।

মতমগী, পুং অক্রবক্কা অহন ওইদ্রকপগী মম্বাং ফব মকচাং অদু উবগী মকুম্ন উইনগ উমশিরব অনাবগী লানা পকপ অমদি থে-মুংগী হমথিব ফাৎব অম ওইনা উক নহগ শমারবক্ত ওৎনা চৈদ্রব অাপব মকচাংদু কৈশাদ অমসু লংক্ত না শেংদুনা চাব ওপান মতম অমদ পুক্নীং হুবব মুঙাইবশিং অদুন অমাব অমসুং থাজমদ্রব অৱাব ওইরক্লে। মসিগুম অৱাব-অনাব অমসুং কোক্নীং অমত্ত ওইনা উপাইদি মিৎয়েংগী মুঙাইবনু থাদোকপা হায়বাসিদ নৈরে।

থোৎজান নত্রগ কৃপা থথন মরিৎক নৈ। মথোম্ব অদু ইন্দ্রিগী মুঙাইব থাদোক্নব মীওইশিং অদুক্তন ফংই।

অহানবা থাক্ত, মহাক্না ইন্দ্রিগী নুংঙাইবশিং অমসু মহুদগী ওইরকপা শেংদবা ৱাখলশিং অচু থাদোকই। মহাক্না মসুং হঞ্জিনবা, অৱাংবা মিংয়েং অম চাওখৎলি।

অনিশুবা থাক্ত, মহাক্না পুক্নীং ফাজিনবগী থক্তু রাংখৎলক্লকই অমসু মপুং হঞ্জিনবা শান্তি ফংনবা ধ্যান অম চাওখৎলক্লকই।

অহুমশুবা থাক্ত, মহাক্না অপেনবা-পেন্দবা, অৱাব-নুংঙাইবা কায়বসিবু মপুংফানা থাদোকলকই অমসু অরোইবা মুক্তি অচুম্বদাক শেম শারকই

মরিশুবা মুক্তিগী থাক অসিদা মতৌন্দা অরোংবা নাইবা খুদিংগী মথক্ত অমসুং হাকথেংনবা ফংবা জ্ঞানশিংগী রাংখদা নৈবা অরেপ্প পুক্নীংগী ফিরেপ অম ফোংদোক্লকই। মহাক্না পুক্নীংগী মথা থাবা হায়বা পুম্নমক অচুদগী থোক্লে।

শম্ম, অশেংবা মুক্তিগী লম্বীদা অপাম্বা পুম্নমকপু থাদোকপ-লিনি।

মুক্ত ওইরবদুনা অমুম্ব ভাউথি অমসু ভিক্ষুশিং অচুদা মহাক্না তাঙাওশিং অচুম্বা নুংঙাইজরমই।

(মহা-দুখ-খণ্ড-সুত্র)

থাদোকপগী নুঙাইব

মতম অমদ, মূক্ত ওইরব অদুন শার্ভাথীদ লৈরিবৈদ ভিক্ষু-শিংগী মকমদ অসুম তাকপিরমই

ঐহাক্ত জ্ঞানি অম ওইদ্রিবৈগী মতমদ ঐগী বাখল অসি তোঙান তোঙানব নাকল অনি থোক্ত থাইদোক্লমই। অহানব নাকন্দ ইন্দ্রিগী সুঙাইব অমসু হিংসাগী সুঙাইবশিং অনি থমই, অদুগা অতোপ্প নাকল্লদন থাদোকপ অমসু অহিংসাগী বাখলশিং অনিনি।

ইন্দ্রিগী সুঙাইবশিংসিগী মরমদ ঐহোন্দ বাখল ফাওরকপ খুনক্ত মসিন ঐহাক ইশাবু অমসু অতোপ্পবুসু অমাঙব ওইহল্লি হায়ব খঙলকই। অসুম ইন্দ্রিগী সুঙাইবশিং অদুগী বাখল অদু ঐহোন্দগী লৌথোকপদ বাফম অসিন তেঙবাং ওই

হৌজিক, নীংশিংলু, নহাক্ত কম থনব হৌরম অদুম নঙগী পুক্নীংগী মওঙ অম ওইরকই। কদিগুম নহাক্ত ইন্দ্রিগী সুঙাইব-শিংগী মরমদ কম খল্লবদি নহাক্কী পুক্নীংসু ফিবম অদুম লৈরগনি, অদুন থাদোকপগী বাখল অদুন নঙগী নপুক্নীংদ মফম অম ফংব ঙমলোই। ফিবম অসিমক নহাক্ত অমাঙব, অশোকপ, হিংসা তৌব অমসুং লমন খুম্বগী মরমদ খল্লবসু অদুম ওইরকনি।

হৌথিব নোংজুথাদ খুঙ্গং পুম্নমক কজরব মহৈ-মরোংন খল্লবদ মশেমনহানা মাগী যথশিংবু শাইজে পায়দুন নীংথিন হোইদুন

তাক-শেনবগুম ইন্দ্রগী সুডাইবশিংদ চঙশিল্লব ঐগী অৱানব ৱাখল-শিংবু লাকশিল্লব হোৎনৈ।

কবিগুপ থাদোকপগী ৱাখল অম ঐঙোন্দ লাকপ মতমদ মসিন ঐগী অমদি অতোপ্পগী অমাঙব ওইরোই হায়বসি ঐন থজই

মচুগী মতুংদ অদিং-সুংখিল নাইদন ঐন থাদোকপগী মরমদ ঐগী ৱাখল অসি থম্মে অমসু ঐগী পুক্নীং আসি মওঙ অসিদ শেম-শারে। অচুম্বগীদি পুম্নমক্কী মফমদ অফব অমসু সুংশিবগী ৱাখল অদু ঐঙোন্দা লাকই।

তৌরিব কাংলেন থাদা খুন্নংশিংদ মহৈ-মরোং চুম্না পানবদ, উরুম লাংব ফিগী ত্রিরূপ ফমদুন যমজেন-নকানা যমশিং নীংথিন য়েংবগুম ভিক্ষুশিং ঐন ঐগী পুক্নীংগী ফিংমাশং য়েংশিল্লি।

কলিন্দ্রগী সুডাইবশিংদগী লপথোক্লব তত্তন হোৎনব অমসু থাদোকপগী মরমদ অতৈপ নৈতন থনব অসিন ঐঙোন্দ অহনব নাইদব, কদোইদুদ ঐথক হোদব মঙৈ ব পুকচেল অম পীরকই। মতো অমুম, ইন্দ্রগী সুডাইবশিং অমসু পুক্নীংগী অৱানবশিং অসি থাদোকপন ঐহাক্কী জ্ঞানীশিংগী ওইব অৱাংব থ্যাজদ চঙব ঙমই।

(ভেদ-ভিতাথা-সূত্র)

---

(৪)

অশিংবা মী

মহাক্না হৌরেদৌদয়, খংদোক্লদবা থবক্তশিং তাক্লগা অমসুং মহাক্না করুবা থবক্কী চিংথোক্লগা কনাগুম্বা অমা থোক্নবগী মপা অদুগী মতুং ইন্না, মথমদি মহাক অদু অশিংবা মীনি। মহাক্না মতম চিংথোক্লমদু, মহাক্না হৌরেদৌদুনি [illegible] চিংথোকই, অমসুং [illegible] মথমদি মহাক অদু করুবা মীশিং [illegible] ঈশ্বরবু সুংশিজবা অশিংবা মীনি।

অশিংবা মী [illegible] থুমমক্তা ধর্মগী [illegible], ধর্ম [illegible] অকনবা পুক্নিং লৈ।

অশিংবা মীনা [illegible] নত্রগা [illegible], [illegible] লৈ।

অশিংবা মীদি ধর্মগী জ্ঞান লৈ, লৈহৌ অমসুং উপাধ্যায় চৌংলেম্মী। মহাক কবিগুরুগা [illegible] অমসুং [illegible] হন্দে।

কবিগুরুগী শান্তিনিকেতন নত্রগা [illegible] নত্রগা শক্তি পাত্রবা মীশক অমা [illegible] মহাক অদু অশিংবনি।

অশিংবা মীনা সধারন পুক্নিং অমসংসং [illegible] অমসুং [illegible] নিবাশংগী অকনবা [illegible] সোধংলি। মহাক [illegible] উইবগী [illegible] লৈজদবা [illegible] ২৫টৈ অমসুং সধারন মীনা [illegible] মকমহুদা মহাক সুংদ্রাইবা ওয়াই। অশিংবা মীনা ইন্দ্রিয় সুংদ্রাইবা

পুন্নবক চুংওইনৈ অমসু মাগী ৱায়ৰ অম থম্মদে। মহাক্ত মাগী পুক্নীংসু হিংলা পুন্নবকগী লেংদোকনি।

অপাবন থুহম চনব অচুদগী মনীং ভব কংহুন লুপাইব ওয়ুব করিগুব অমগুগী মথা পোত্তব অমসু পুক্নীংগী অপাম্ব পুন্নবকপু ভয় তোৱব অশিংব মহাক অদুদি পৃথিবী অসিদ লৈন-লৈন অরান্ থুবম কংব ওমই।

(সুত্রা পিতাকা)

---

(৮)

অপঙব

ঈমিকপ থোক্লপ ভাইরিব মঙোম্দদি অদিং অসি শাংই, চোকথব্ব মঙোম্দসু লম্বীসি শাংই। মতৌ অদুগুম্ব অশেংব থম্মগী জ্ঞান লৈতব অপঙব মঙোম্দদি পুন্সি অসি শাংনি ভাই।

কনাগুম্ব লম্বী চৎপ অমন লম্বী অদুদ মথক থোংব নত্রপ ম্মাম্ত্রবদ লেংমান্নব অমগুপ থেংনত্রবদি মাগী খোচকপ লম্বী অদুদ মথম্ভ চৎবম্ভ মরমদি অপঙব অমগ মরুপ ওইদুন চৎমিন-নক্লবগী কান্নব লৈতে।

"মথোয়সিন ঐগী ইচাশিংনি, মসিন ঐগী লল-থুমনি" হায়ব ৱাখললিন মচা অমসুং লল-থুমদগী ভানা মশাবকপু মশাগী ওইনৈ খংদব অপঙব অচুভন অৱাব নাংবে।

মশাগক পণ্ডই থওজব অপঙব অচুদি থাক অচু কাওবগীদি অশিংবনি। তৌইগুম্বস্তং মশাবু অশিংবনি থৱাবিব মথাক অচুদি থাক্লৈশেংব অপুঙবনি।

কনাগুম অপঙব অমম মপুক্কি [illegible] অশিংব অমপ লৈমিঙ্গুবদি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অমম [illegible] মথাও কংবগুম [illegible] [illegible] [illegible]

তৌইগুম্বস্তং [illegible] [illegible] [illegible] অমম অশিংব [illegible] চুপ্পী মিকুপ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মথাও থগুবগুম [illegible] অচুপ অচু [illegible] [illegible]

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] চান্নবা হেক্কুবশিংনি অমমদি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মতৌদমক পী।

তৌক্রবব মচুগ [illegible] অমদি [illegible] তানা মচৈ কংব থবক অচু অপোকব [illegible] অচুপ, তৌকত্রব মচুংম [illegible] কাওবব [illegible] [illegible] [illegible] মচৈ কাব থবক অচু অফব থবকনি।

কচুব থবক্কী মচৈ কংদ্রিবগৈ অপঙবন মচুবু থাকহিদি হায়ন লোই, তৌইগুম্বস্তং থবক অচুম মচৈ মামক্রব মতহদ অপঙব মথাক অচু হায়ঙমদ্রব অত্রাব নংদকই।

(সুত্র পীতকা)

মীনম্ব অমদি অচুম্ব মরুপশিং

নহা ওইরিবা যুমপানবা শিংগিনাগী মকমদা মতাম কংলব অদুন হায়খি —

অশোৱবি রেক্রুব ওইবা মরুপকী ফিশেং শেংপ মরুপ মথল মরিৎথক নৈ। মখোয় অদুদি মচুংদ হুরানব; কদিংহু নৈত্তব রাফমদ অকব শাব মীশক; হেন মাঙ্গ ফজব মীশক; মপা মমান ইনংপোঙ্কব মীশক অসনি।

অহানবগী মচুংদ হুরানব মথল অসম মাগী থবিতং পীথোক্লগ মীচৌন্দগী মাঙ্গ ফংনব হোৎনৈ। মহাক্ক মথৌ তৌই, অদুবু মচুম্ব কিবদগী তোই। মহাক্ক নত্তগী নচুং ইল্লি, অদুবু মাগী কান্নবগীদমক ইল্লি।

অনিস্ববগী অচম্ব রাফমদ অকব শাব মীওইসিন মহাক্কী তৌথিবদ মায় পাকথিবশিংগী বাতো শাদুন নুঙ্গবু সুপাইহল্লি। মতুংদ মহাক্কী মায় পাকপ অম ফংনবগীদমক নহাকপু থেমই। মহাক্ক মথল-মথলগী রা ঙাংই। অদুবু দবকার ওইরকপ মতমদ মহাক্কী মরুপ অম ওইম লেপ্লে। অমসু মচুব মাগী লাইবক-থীবদ ঙমহৌদবনি হায়।

অহুমশুবগী, থোম্ব কজব মথলগী অসিন নহাক্কী থজিক্কং অকায়বদ পাওথংনগনি, অদুগ অকবগীদমক্তদি মা তাওলোই। মথাক্ক নহাকী নমাংদ থাগৎ মাঙাঙ তাঙগনি অদুগ নতুংদন অথৌ-মাঙাঙ তাঙগনি।

মরিশুবগী, মপা-মমান ইমথোক্লব থৌওইবিদ্রব মথল অসিন মু-থকপ অমদি অতৈ ফত্তব থবকশিংদ নহাক্ক লোয়নগনি। জ্বার শায়ব অমসু অতৈ অতনব মওঙদ মতম মাঙনব পায়ই।

হে নহা, যুমপানব মরুপ মথল মরি অসি মরুপকী কিতোল শেৎপ তশেংব থেরুবশিংনি।

তায়ো, বৌজিক, ঐ অশেংব থম্মোইগী মরুপ মথল মরি অম নঙোন্দ হায়গে —

অশেংব থম্মোইগী মরুপশিংদি হায়জরুদন নঙোন্দ মতেং পীবিব অহুম, নহাকী সুঙাইব অমসুং অনংবদ অশোংব লৈতব অদুম, নহাক্কী ফনব তাঙব মীশক অহুম; অমসু নহাকপু মুংশিবিব মীশক অহুম অসিনি।

মথোয়শিং অসিগী মসুংদ অহানবগী অসিন নহাকী অকিব মতমদ চত্তকমনি। মহাক অসি নহাকী থুদোংচাদক মতমদ য়েংশিনবিব মীশকনি।

অনিশুবগী মরুপ অসিন নহাক্কী অয়োনবশিং নঙোন্দ হাযদোকনি, অদুগ নহাকী অয়োনবশিংমু লোয় থাদ্বগনি। মহাক্ক নহাকপু অবাব মতমদ থাদোকপিয়োই অমসু নহাক্কী কনবগীদমক মশাগী ওইজব কয়া থাদোকনি।

অহুমশুবগী মরুপ অসিন নহাকপু মরানব তৌবগী চিং-থোকপিহুন অচুম অফাবা নত্তনা পাপ-পামদবা য়েংদনা থাজিন-বিগনি। মহাকী ৱাখল্দি নহাকপু সুভাইহনব নত্তে. নহাকপু অফব তৌহনবনি।

মরিমুবগী মরুপ অসিন নহাকী সুভাইবদ সুভাইব অমসুং নহাকী অৱাবদ হাবী। মহাক্ন নহাকী ফত্তবা ভাওবশিংদগী কনখৎপি অমসুং অশেংব থৱাইহৈন নহাকী ফনব ভাওবী।

শিংগিলা, ঐন মতৌপা মীনব অমসুং অশেংব মরুপকী মরমদ হায়রে। মরম অসিন, নহাকী মরুপ থনবদ চেকশিন্নু অমসু ভাব ভাও। মীনব মরুপশিং অদু থাদোকউ অমসুং অচুম মরুপশিং অদুগ নকশিন্নৌ মরমদি মহাক্ন নহাকপু অচুম চৎপ অমসু ধর্ম্মগী লমক লেম-শাবদ মত্তেং পাংবিগনি।

(দিক্ষা নিকামা)



মরি লৈনদবশিং

ধর্ম্মগী ইকাইখুম্নবিতাই ওইরবা ভিক্ষু মালুনখ্যাপুত্তানা মোংম পুমিদাংবাইরম ধ্যান তৌবদা অসুম্ম কাওরকই মাহং মরু ওইরবা মাহং কয়াদা মুক্ত ওইরবা অসিন মহাক্কী মাখল কোক-লোক্কে অমত্তা পাউখুম পীদে। পৃথিবী অসি অরোইবা নাইত্র নত্রগ লোইবা নাইদত্র, অরেম্বর লেপ্তবর, পুক্সি অমস্তুং হকচাং অমিসি মাঙ্গবর নত্রগ তোক্‌না-ভাঙানবা লোংশক অনিবর, অচুম থিবা অমম শিরগ অমুক লোকপবা হায়বনচিংসিদা কদৌ-ঝৈঙদা ব্যাখ্যা তৌদে। অদুগ মহাক্কী পাউখুমশিং অসিন লেন-ত্রবদি ঐন ভিক্ষুগী দড়ী পুম্নিবা খোরি অসি লৌথোক্লমগনি অমদি অমুক হন্ন অচম মী অম ওইনা লৈগনি

মালুনখ্যাপুত্তানা মহুগী মতমদা মুক্ত ওইরবদুগী মকমদা অমুক চংল্লে, অদুগ মহাক্কী মাহং পুম্নমক হংলদুনা হায়রকই করিগুম্বা মহাক্ক মাহংশিং অদুগী অপেনবা পাউখুম ফংত্রবদি মাগী গুরু-চরণদুদা থাদোক্লগনি অমসুং মীচম অম ওইনা লৈরগনি।

মুক্ত ওইরবদুনা হায়রকই—মালুনখ্যাপুত্তা, মহাক্ক ঐগী শিষ্য ওইরবদি পৃথিবী অসি লোইবা নাইদবরা হায়বা নংাক্কী অসিগুম্বা মাহংশিংগী পাউখুম লোয়দনা পীগনি হায়দুনা ঐন নচোম্ব বাশকখিবা লৈত্রা?

অতে, লৈতে, গোতম!

নহাক্ক ঐগী শিষ্য ওইবা মতমদা অসিগুম্বা বাহংগী পাউথুম ঐহাক্ক শোয়দনা পীরকনি হায়বা নপুক্রিংগী অরেপ্প লৈখিত্রা ?

লৈকদে, ইবুঙো,

নহাক্ক ঐগী শিষ্য ওইখ্রিদ্রিঙৈগী মমাংদা শিষ্য ওইবগী কিথম অম ওইনা বাহংশিং অসিগী পাউথুম পীগনি হায়দুনা ঐহাক্ক নঙোন্দা বাশকখিবা লৈতে, অদুগ নহাক্কসু নপুক্কীংদা লেপখিবা লৈতে হায়বসিমদি অশেংবনি মালুনখ্যাপুত্তা, কনাগুম্বা মীশক অমনা অচুম্বা থিবা অমদা মাগী বাহংশিংগী পাউথুম পীত্রবদি শিষ্য ওইবা তোক্লগে হায়রবদি মহাক্ক বাহংশিংগী পাউথুম অদু ঙাইবদা কংদনা অদুম শিরগনি।

মথবাক্ত হূ তৈত্তরব তেম্ম থূমনা থারদুনা যাম্না অরাব থাঙলিব মীশক অমনা মাইবা নত্রগ মাগী মরুপশিংনা তেকৈ অদু শত্তোক-পদ বাকম অসি হায়গুনা য়াদবগ মায়ে; তেন অসি কনান থাপ্লকপনো; মহাক অড ব্রাহ্মমনা অত্তোপ্প জাতিত্রা হায়বদু ঐ হায় থঙজলিংই। মহাকী মখিং, পারি-পূরী, বাং-চাউব কুচু অমসু করম্ব সহরদগী লাকপ হায়বদু হায় থঙজনিংই। মহাকী লিরুং অদু অত্তেনবর, অশাংবর বা-মা শাবরা নত্রগ কোমান শাবরা নত্রগ মশিং পানব উ-জাৎ অমন শাবরা অমদি লংজা, উমাইবী, বাকোংচিংব করম্ব উচেকী মতু য়াওই ?—মপা অদুন কদোইঙৈমসু শিদ্রিঙৈদ বাহংশিং অসিগী পাউথুম ফংলরোই মরমদি মাগী মশাদ হূ তৈত্তরব তেমা মথবাক্ত য়ুংলে।

মতো অসুম্ব মালুনখ্যাপুত্তা, কনাগুম্ব অমন মহাকী বাহং চবুল অমগী পাউথুম পীত্রবদি অচুম্ব তাকপ অমগী মশাদ অবাংব

পুন্সি লেনবদু তোল্লগে হায়রবদি মহাক্ন শিত্রিথৈদে পাউখুম অমত্ত কংলোই।

অরাংব পুন্সিদি সংসার অসি অরেপ্পরা লেপতবরা হায়ব জ্ঞান অদুগী মথা পোনব ওইদে। নহাকপু অরাব ওইহল্লিব রাহংশিং অদুদি পোকপ মানুব অমসুং শিবগী মথা পোল্লি। ঐগী পাউতাক্ন হৌভিক মকম অসিদ অরাব অদুগী মরু ফুক্তোক্লব অমনি।

মহাক্ন থঙনিংব রাক্ষস কয়া ঐন তাক্লে, মরমদি মখোয়শিং অদু অরাংব পুন্সি অমগী মরু ওইনা কায়ব নত্তে, মরম অদুন মরী লৈনদবশিংনি। ঐনা নত্তোন্দ অরাবগী হৌরকফম অমস্ত মদু কোক্লব লম্বীশিং তাক্লে। মখোয়শিং অসিদন মীওইবদ কায়হল্লি অমসু অরাংব পুন্সিগ মরি লৈবৈ। মসিতন মুক্তিগী লম্বী ওই।

(কুলা-মালুনখ্যা-সূত্র)



কনাগুম অমগী ৱাহৈ খনব

মতম অমদ মুক্ত ওইরবসিন রাজগৃহদ লৈরিঙৈদ নিংথৌ মচা অভায়া-না মাগী কোন্নুংদ চাক চাখিন্নবা যাৰ্ত্তোন অম তৌরমই। চাক চাবা লোইরগ নিংথৌ মচা অহুন মুক্ত ওইরবা অচুম হংজখি—

ইবুঙ্গো, অচুম থিরিব কনাগুম মীশক অমন মীন যারোই-দোর বা করিগুম্বদ হায়ব মাত্রা ?

বুদ্ধ— হে রাজকুমার, নহাক্কী হাহং অসিমক স্থগাইনা শেংদোকপ অম চঙলি।

নিংথৌমচা—ইবুঙো, নিপানথা-না ঐহোন্দ মহাকপু নরান-শীবব তাক্লক্ই অমসু ঐগী নরানশীবশিং অদু নহাক্ন তাব ওয়োইনু হায়রমই।

নিংথৌমচা অদুন ইবুঙো অদুদ বা ৱনহৎপ মহমদ মহুতাক্ত অপিকপ মচা-মুপা অম পীরমই। মুক্ত ওইরব অদুন অগাং অদুদ য়েংলমই অমসু হায়রকই—

রাজকুমার, করিগুম মীনাইশিংগী চেকশিন্নবদগী নহাক্না অপিকপ নচা-মুপা অসিন নুং মচা অম নত্রগ চৈ-চেক অম য়োৎখিহুন পল্লবদি নহাক্ন করি তৌগনি।

নিংথৌমচা— ইবুংঙো ঐহাক্না মদু লৌশোকচগনি। ঐহাক্না মথমাক্তদা খুদোলবা ফিংজিন্নুনা ঐ থোক্লবস্থ লৌশোক্লবা লাক্লগনি। ঐহাক্না যাম ইচা মুংশিবদগী ভোজগনি।

বুদ্ধ - হে রাজকুমার, অচুম্বা থিবা অমগী পূকচেলস্থ মদুমক্কি। মহাক্না কংলোইদবস্থ মীনম্বা, কান্নদবা অমস্থ পুঙাইতবা থ ডাও ডাওদে। কান্নবে ইদবা অমদি পুঙাইরোইদবা অচুম্বা অমস্তু মহাক্না ডাঙদে। অদুবু কান্নগদবা অচুম্বা ওইরবদি অতোপ্পশিংনা তানিংদবা অমদি পুঙাইতবা ওইরবস্থ মহাক্না হায়গনি।

হে রাজকুমার, অচুম্বা থিবা মীশক অমনা পুঙাইরবস্থ কান্নদবা মীনম্বদি কদোইনদস্থ ঙাওদে। অদুগা অচুম্বা ওইরবস্থ কান্নদবা পুঙাইবা মান্নবগী বাস্থ ঙাওদে। তোইগুম্বস্থং অচুম্বা, কান্নবা অমস্থ পুঙাইবা রাকমদি মতাং চানা ঙাওই।

নিংথৌমচা— ইবুংঙো নত্তোন্দা পণ্ডিতশিং অমস্থ ব্রাহ্মণশিংনা ৱাহং হংবা লাকপদা মখোয়গী ৱাহংশিংদু নহাক্না হায় থওলগা খুম্বিবরা নত্রগা থওদনা খুম্বীবরা?

বুদ্ধ— রাজকুমার, মসি খুম্বদা ঐহাক্না নত্তোন্দা ৱাহং অমস্থ হংবা তারে। মোলাই অমগী তোঙানবা শরুকশিং অদু নহাক থওব্রা?

নিংথৌমচা— হোই, ঐ লোইনা থওই ইবুংঙো।

বুদ্ধ— রাজকুমার, মীনা কয়িওম্বা মোলাইদুগী শরুক অমা হুংলবদি মাগী হংগদবা ৱাহং অদু নহাক হায়না থওলগা খুমগন্ত্র নত্রগা খুথওদনা মগন্ত্র?

নিংথৌমচা — থওনন ঐগী পাউখুম পীজগনি হায়ুজো।

বুদ্ধ — রাজকুমার, মদুগ চপ মান্নব মওঙদ, পণ্ডিতশিংনা অচুম্ব থিব অমদ বাহৈশিং অসি হংলবদি মখোয়না থওদনা খুমগনি।

নিংথৌমচা অদুন মূক ওইরব অদুদা থুরুমজদুনা মহাকপু শিষ্য অম ওইনা লৌশিনবিনব হায়জরমই।

(অভ্যায়া রাজকুমার সুত্র)

(৯)

অচুম্ব অসুং অরানব

মতম অমদ মূক ওইবরসিনা কোসালা-দা ভিক্ষা চৎলকপদা সালা কৌব খুঙ্গং অমদ লাক্লমই।

খুঙ্গং অদুগী ব্রাহ্মণ য়ুম্বুশিং অদুনা মখোয় পুম্ন মূক ওইরব অদুদ বাহৈশিং হংননব লেপ্পরমই অমস্থ মখাগী বাহৈশিং অসি শানখি।

গৌতম, করিগীদমক শিরগ থরুন অরাব-দুংঙাইতবশিংদা পোকই, অদুগ থরুন হয়াওব দুংঙাইবদা পোকই? মসি ঐখোয়দা হায়বিয়ু।

মরমদি, থরুন ওক্তে অমস্থ অরানব মতৌ ওই অদুন অরাব দুঙাইতবশিংদা পোকপগী মতীক চাই, অদুগ অচুম্ব মতৌগী মীওইশিং অদুন হয়াওব দুঙাইবদা পোকপগী মতীক চাই।

পাউখুম অসি কা-হেরা তেনমনবে। ঐখোয়গীমক্ত থরুং শাংদোক্না তাকপীরম থুরুমজরি।

তারো, মুমপানবশিং। হকচাংগী ওইবা অচুম মথৌ অহুম, অচুম বাচাও মথৌ মরি; অচুম থাখৌ মথৌ অহুম লৈ। মতৌ অমুম মখোয়সিদগী খোরকপ অরানবা মওংশিংসু অমুক লৈরি।

হকচাংগী ওইবা অরানবা মওং অসি মথৌ অহুমনি: (১) কনাগুম অমনা থবাইপানবশিংবু হাৎপা অমদি তমথিবা লমচৎ চৎপা য়াই, (২) কনাগুম অমনা হুরান্দুনা নত্রগা লুটতোদুনা মীগী মপোৎ লৌবা য়াই; (৩) কনাগুম অমনা মাগী মুপী নত্তবশিংগ সঙ্গ হৌবদ পুক্নীং লুপ্না অমসু লৈশাবী-মোশিংবু নত্তবা লমচৎকৌদমক্ত খেমলুবা য়াই।

রাঙাওগী ওইবা অরানবা মওং মরিনি: (১) কনাগুম্বনা মশান থঙদববু থঙই হায়দুনা নত্রগা মশান থঙবগীবু থঙদে হায়দুনা মশাগী কান্নবগীদমক্ত মনাং তৌনা মীনম ভাঙবা য়াই; (২) কনাগুম্বনা মী অমগা অমগা কত্তবদ ইনশিন্দুনা কত্তনবা শীনবা অমসু মুন্তাইনহন্দবা য়াই; (৩) কনাগুম্বনা বা অকনবা-অকাম্ব অয়াকপশিং ভাঙদুনা অতোপ্পশিংবু মুন্তাইহন্দবা অমদি শাওহনবা য়াই; (৪) কনাগুম্বনা অচুম্বা অমত্ত য়াওদ্রবা কান্নদবা বাহৈশিং ভাঙদুনা ধর্ম্মদ কায়েম্নবা য়াই।

থাখৌগী অরানবসি মথৌ অহুমনি: (১) কনাগুম্বনা অতোপ্পগী মপোক্ত মীহৌক্নবা য়াই; (২) কনাগুম্বনা মীগী কত্তনবা থনবা কত্রবা থম্মোইদ চেনবা য়াই; (৩) কনাগুম্বনা

লান্নব থওব, মিংচেং ওন্দবা ত্যাগ, দান্, ব্রাহ্মণ, সন্যোইবনচিংবা অকপ অশেংবনি হায়বা অমত্তা থাজদবা য়াই।

মুদপানবশিং ! লৌংশিংঙু,— হাইরিবা অঙাকপা মওং অসিদা থবক তৌরিবশিং অদু শিংবা মতুংদা অমুক হন্না অফা-অনাগী মপোক পোকই।

হায়রী অসি লোইরকপদা নাংগী ব্রাহ্মণশিং অদুন মথোয়দা অতুম লৌ তাকশিনবিদবক্ত য়াম থাসংগনি।

(আনেয়াকা সুত্র)

---

(১০)

মীনমবগী মঙ্গল

নোংময় সুবিদাংথাইরম অম, মুক্ত ওইরবসিন ধর্ম থওদম রাহুলগী মনাক চৎখোক্লবই। রাহুলনা মহাকী মরূপী কিদা অম থারে, অমসু মথোং চাদথোক্লবা ঈশিং পুথক্লবই।

মুক্ত ওইরবা ইপুথৌ অসিন ঈশিং অদু মশামক তৈথজরবই অদুগা রাহুলদা হায়রকই—মহাক ঈশিংসি অশিকপ মরূ অসি উত্রা ?

অথোয়।

আন তান মীদম থাওদবগী বৈপোক্লিবা মীওইশিং অদুগী মওংদি অমুক তৌই।

অতুদগী অমের ঈশিং অদু লাপ্ল হৈদো'ক্লদুনা মূক ওইরবদুনা হায়রকই; হৌজিক ঈশিং অসি হৈদোক্লে—মথ মসি উবত্রা ?

অহোয়, ইবুঙো,

জ্ঞান তাবা, মীনম খাঙব হৈদোক্লবশিংগী মওঙদি অমুম ওোই।

অতুদগী চফু অদু অমূক উপশিল্লদুনা মূক ওইরবদুনা হায়রকই — মহাক চফু উপশিব অসি উবত্রা ?

অহোয় ইবুঙো।

জ্ঞান তাবা মীনম খাঙব মাওদব অমসু হাঙ্হনবদি অমুম ওোই।

রাহুল, নিংশেন অসি করি ওোংনবনো ?

মসি থজোবক্লবনি ইবুঙো।

রাহুল, মহাক্ক রাখল থজবদ, রা অম খাঙবদ, থবক অম ওৌবদ মতৌ অমুম হম মম থজোকহনগদবনি। নঙগী থবক্ক নঙবু নত্রগ অতোম্লবু নত্রগ অ'নমকপু মাঙহল্লবদি নহন ওৌব পুম্নমক থজোকহনগদবনি। করিগুম থজোবকপ অদুন অমাঙব কদ অম পীরবদি ঠচু অমাব ওইগদব অরানব থবক্কি অসিগুম থবক অদু থদোকহবনি। অদুবু করিগুম থবকৌ কদ অদুন নঙগী নত্রগ অতোম্লগী নত্রগ অনিমকৌ অকব ওইরবদি মচু ওৌগদবনি। হায়রিব নিয়ম হল্লোবকপ অসিমক রাখল অমসু থবকৌ মরুমদসু শিজিন্নগদবনি

রা'হুল, অচুম ত্যাগী অমসু ব্রাহ্মণশিংন হায়রিব রাখল থজোবকপ নত্রগ হল্লোবকপ অসিমক্কন অশেংব হায়বত্তু ওই। মরম অদুম হল্লোবকপগী নিয়ম অসিদ মশাবু পুক্নীং মাহৈ অমসু থবক তম্বিয়ু রাহুল।

(অম্বালাত্তিকা—রাহুল - ওাদা)

১১

খাণ্ডব কনব

হে ভিক্ষুশিং। মতম অমদ মবাথি কোব সম্বৎ যেদেহিকা কোংবী মুপী অম লৈরমই অকপা মুঙ্বা অম ওইনা মহাক মমিং চৎলমই। মোগ্গুকপ, চাংদেৱ, অমস্তু মপূকচেল অমা মুপী অম ওইরমই।

যেদেহিকাগী কলি কৌবী হৈ-শিংবী, থবক ফবী, যা'ম উপন থওগনবী মিনাই মুপী অম লৈরমই। নোংব কালিনা মথাকী মবেম্মগী কণ্ঠব মতো অদু চাংঙ্গেং অম থোনীংলমই বিদেহিকা অমি মহাকী অপেংবে মগুণগ মীন তৌনব ব্যবহারগ কনান হেনবসে মহাকী থম্মোই নণ্ডং কন্তব থর ফুমজুন লৈত্রা হায়বসি মহাকু থওনিংলমই

হে ভিক্ষুশিং! মহুদগীদি মবেম্মবু পরিক্ষা তৌনবগীদমক মথংগী অমুক অহুদ কালিন যাম্ন থেংন তৌগৎলমই। মহুদ বিদেহিকানা কালিবু ভনবগি হায়হুম তপ্ন চৈরমই, অমস্তু পিন্তুম মকক্ন মুঙাইতব উৎলমই। মিনাই মুপীদু তুমিন্ন লৈরমই অমস্তু যাগী মবেম্ম অমি মপুংদ কন্তব মবুক লৈবীনি হায়না থল্লমই। নহান মথে থবক কজন তৌবদু থওলমদবনি, অদুদি ইবেম্ম অমি থরগ হেম্ন পরিক্ষা তৌব তারে হায়বসি কালিনা মশা মথন্ত লেপ্চরমই।

হে ভিক্ষুশিং, মতুমগীদি মিনাই সুপী অতুম মথংগী অমুক অতুমদি ওয়াংদগী অমুক থেংথন হোগৎলে। মতুম বিদেহিকান চুম পিস্তুম সুকপদ নতুন অকনব বাহৈন চৈৎতুন সুতাইতব কোকতোক্লমই। কালিনা তুখিম লৈবমই অমসু মপুক্লীগী থমমই ইথেম্মসি মতেংদ নহানমথৈ অকবী অম ওইরমলি ঐহাক থবক নিংথিন তৌবতুন ওইরবোইরে। মরম অসিদগী মথাক্কতব বাতাত তৌরিবনি। অতুদি ঐ অমুক থরুপ হেন পরিক্ষা অমুকসু তৌখিগে।

হে ভিক্ষুশি! অতুদগীদি কালিনা মথংগী সুস্মিত থরূপ অমুক থেংথন হোগৎলে। হৌজিক্তি বিদেহিকা অতু বৈ হৌন শাউরে অমসু থোকলোতৈ অম পাইরতুন কালিবু মরাইবক থারে। মতুদগী মকোক অশোকপতুদ ঈ তৈরব মিনাই সুপী কালিন যুমলোমবদ কপ্পতুন চেল্লমই অমসু লাউরকই—"স্নেংবিমু, ইবুঙোশিং পুম্নমক মবুক কৈ, তপ্পী হায়নবী সুপী অসিন তোলবী মিনাই সুপীমচা অমবু কাম্নসু লৈতব থেংন হোগৎপগীদমক মকোক থুগাইবিয়ে।"

হে ভিক্ষুশিং, মতুদগীদি মতম থরগী মসুংদ বিদেহিকাগী মরমদ কতব মিংয়েং শম্নোক্নবক্রে অমসু মীশিংন মথাকপু শাউগনবী, থম্মোয় কনবী, সুংশি হৈতবী অম ওইন তাকলক্রে।

কবিগুম সুতাইতব থোলোক অম থোক্তিব মথৈ মীশক অমন ঈংন তপ্প লৈব তবই। কনাগুমগী অশেংব অঙৈংব অমসু অতপ্পু পরিক্ষা তৌবসি সুতাইতব থোলোক অম থোক্লক-কাম্দত ওই।

কনাগুম অমগী ময়মদ তাওমখিদি মরম মঙানি : (১) মতম চানা নত্রগ মতম লেপ্লব কান্দা ; (২) চুম্ন নত্রগ লাম্না ; (৩) কান্নব মাওম নত্রগ কান্নদন ; (৪) ঐনা তপ্না নত্রগ অকনব খোম, (৫) মুংশিন নত্রগ তুকচনা।

কনাগুম্বন কৈদৌরম্বদ মওং অমদ নখোয়দ হায়রকপ মতমদ মতুম নখোয়গী নপুক্কী লেওহন্দনা থম্মসি নখোয়গী নখো ওইগদবনি। নখোয়বু হায়নিঙবদ হায়রকপ, তৌনিঙবদ তৌরক-পদ নখোয়গী খোম্মায়দ মুংশিন অমত্রু মীওইগী কনব থবক অসিন নখোয়গী নখো ওইগদবনি।

(কাকাসুপমা-সূত্র)

(১২)

অচুম্ব অমসু অরান্নব

মতম অমদ নিংথৌমচা লেপক অমদ মা তাওব মতমদ মুক্ত ওইরব অচুম লায়রবই—

হে রাজকুমার, যশ, হায়বা অমসু মাওশিং কক্কুনা হাৎপ মক্ত অমদ শরক ম্যারিবু, মাওরিব-মীশিং অচু অরানব নিংথৌ, অরানব মাথল, অরানব মাঙাও, অরানব থবক, অরানব

পুকচাক থিং, অৱানবদ হোৎনব অমসু অৱানবদ পুক্নীং থিংজিনব অমদি অৱানবগী মহৈ লৌবশিংনি।

হে রাজকুমার, অসিগুম যজ্ঞ অসিন কৰিগুম কামব থিংচৎ মতমগ অৱাংব নৈভাক কংব ওমযে

মসিদি লৌউব স্থপা অমম মতম চাদম, লৈতাও চেম্পব লমদ জঙ্গলগী উরু রাক্ত মরক্ত মথপোৎ খোইরগ অপূর্ব অমদি অহোম মরু তুনবগ মাটম

হে রাজকুমার, হায়রিব মরুশিং অসি মীংথিন হোত্নব মহৈ মরোং শম্লোকপ য়ারিব্রা ?

নিংথৌমচ অতুন ওয়রকই :শায়দনমক য়াররোই, ইবুঙে। মরম অসিন রাজকুমার, কৰিগুম জীব অমত্ত হাত্তব যজ্ঞ অতু তৌ, অদুগ হায়রিব যজ্ঞদ শরুক য়ারিবশিং অদুগী মরমচৎ অহু অৱাংব থাক থাদংনি।

(দীগা নিকায়া)

(১৩)

নৈরেং অহি

ঐখোয়ম ওইরিব পুময়ক অসি ঐখোয়গী ৱাখলগী কননি ঐখোয়ম ওইরিব পুময়ক অসি ঐখোয়গী ৱাখলদ তুংফম ওইব তাক্লি। ঐখোয় অসি ঐখোয়গী ৱাখলন শাব থাক্লি।

পাড়ৌ চিংলিব মশী মতুংদ চতাদ ইনবগুম মতৌ মাংখি অমম্ব থবকী মতুংদ অনাবদ মতুং ইল্লি।

থিনা হৰচাংগী ভুংইনবগুম মপোংব রাথদ অমম্ব মপোংব থবকী মতুংদ মুত্তাইবদ মতুং ইল্লি।

"মথাক্ক ঐবু চৈরে, মথাক্ক ঐবু কুথিরে; মথাক্ক ঐবু খায়-খীব পীরে" হায়ব রাথদশিং অসিন কদৌকৈদম্ব ভুকচদ কোকপ ঙম্লাই। অদুগ হায়রিব রাথদ অসি কোক্লবতদ ভুকচব অদু খাউজ থ।

মথখদি ভুকচ্ছবু ভুকচ্চবন কদৌন্নুংদ কোকহনব ঙমদে। মসিদি সূর্যগী মুংশিবতন কোকহনগদব অলৌ-অয়োই লৈতব নিয়ম অদু মসিনি।

মোংমদি ঐথোয় শোয়দন অয়োইব হায়ব অদুদ তিল্লগদবনি হায়বসি মীশিংন মীংশিংনদে। অদুন মথোয় মশেন ভুকচতৈ অমম্ব থংদৈন। অদুবু ভুকতনব অমদি থংনবশিং অসি থঙনবশিং অদুনদি থাদোকই।

মুত্তাইবদি পান্ন থবক্তি শুনিহাব, মহাওব চানিংব, ইন্দ্রি-শিংবু লাকশিন্নবশিং অদু অকনব মুংশিংন মৈয়ব অকনব উপালগুম অশিংবগী থয়াক্ত তারগদবনি। তৌইগুবম্বং, ইন্দ্রিগী মুত্তাইব পাবদব, চিজাক্ত চেকশিনব, ইন্দ্রিগী লাকশিনবশিং অদুদ অশিথন চণ্ডব ঙম্লাই। অমদি অকনব মুংশিংকী মায়োক্ত লৈক চৌংহনগন লেপকদি।

ভিক্ষুগী থৈবাং মচুগী কোপিন শেংনিঙনব মহাক অহুন অহানবদ মপাবু পাপ্তগী শেংদোক্নুন ধর্ম্ম তানথংবিগদবনি মক্রবদি মহাক অহু নাপুগী কৌপিন অহুগী মতিক চাব নত্তে।

অয়ানববু অচুম ওইনা লৌব অমদি অচুমবু অয়ানব ওইনা লৌব মহাক অহু কশৌগনসু অচুম ফংব ঙম্মোই। অহুম ইনা নিংথিন মথক কুপক্রব যুমদ লৈং যুমকপতুব অযোৎপ পুক্নীংদ থিরৌব চঙলকই।

কত্তব লৌব থবক অহুদি পৃথিবী অসিদসু অহুপ মথংগী মপোকসু তে থাওপনি অমসু মহাক্তা কত্তব কর্ম্মগী ফল মংলুপনি।

অকুব অমসু ধর্ম্ম চেনব মহাক অহু পৃথিবী অসিদসু মথংগী মপোকসু সুখ্যাইগদবনি। মরমদি অকবন অফব পোকই।

তাথন থৈজব মীন ধর্ম্মগী শরুক যাম্ন মচিন্দ হায়রবসু ধর্ম্মগী ওইব পুন্সিদ শরুক যাওরোই মরমদি মহাক্ন হায়রিবহু মথন সাধন তৌদে। মহাক অহুদি মীগী মথ মপাং থৌব মথ শেনব অংনি।

অহুবু ধর্ম্মগী সাধন তৌব, ধর্ম্ম চেনব মুপা অহুন ধর্ম্মগী মরমদ বা থাজত্তং তাঙলব কাওবদ ধর্ম্মগী পুন্সিদ মহাক্তা শরুক থৈগনি। মরমদি মহাক থিংহৌব অমদি তুকচবগী বাংমদ থৈগ্রে অংদি পুক্নীংগী অচিকপ অহু ফংগ্রে, অমরোমদ পৃথিবী অসিদ অমদি লাকদব পুন্সিদ মহাক করিগুম অমত্তদ তাংকগ্রে।

(সুত্র পিতিকা)

থক্তোরকপা

কনাগুম মীশক অমমু শাওগৎহল্লিব পুক্নীংগী কি:ম অদু করিনো ?

মপুক্নীংদ মী থাজদব, শাওগনব, মিৎ্য়ং থীবনচিংব ফত্তব মচাকশিংনে থল্লব মশাবু থাগৎপ, মীবু হুনব, ফত্তবদ পুক্নীং ওম্থব কনাগুম অমগী বা থন্নরসি। মসিগুম মীওই অসি য়াম্ন লাওগনব মাল্লানি।

মবুক ঈংব, অকব থবক্ত হৈনিংবগী অপাম্ব লৈব কনাগুম অমগী বা থন্নরসি। মসিগুম মীশক অসি মপুক্নীং তম্ন, মিমুংশি থওব থম্মোয় চেংব ওইগনি।

অসিগুম মীওই অসিন মশাগী মরমদ অসুম্ন মরৈ তৌগনি। ফত্তবদ মপুক্নীং ওমথব মীশিংন ঐগা য়ানদে। ঐ অসিন করিগুম ফত্তবদ ওমথব মী অম ওইরবদি ঐহাকম্ন অতোপ্পশিংদ য় নদব মীশক অম ওইগনি। মসি থওচুন মীপুম খুদিংমক্ন মপুক্নীং য়াম্নকদবনি অমসু মশাবকপু শেংদোকদবনি।

কনাগুম্বা থুপী অমন সুংশেন্দ তাব মমিদ মবাকী কজব হম্বুব থর উরবদি ম-াক্ন হেক ওবমথৈ মহু কোক্নব হোৎনগনি। অহুগুম, ঐ?পুম খুদিংমক্ন মশাগী ফত্তবশিং অদু কোক্নব হোৎনগদবনি, অমসু অহুবগী লমীদ চৎনবব মপুক্নীং বাক্নকদবনি।

মী খুদিংমক্না অমুম চঞ্জোখকদবনি, মৈমী পুক্নীং অসি কত্তব-য়োমদ চনবদ থম নৈখ্রা? অদুগ কম্রিগুম অসিগুম কত্তবশিং অসি মপুক্নীংদ পৈথরু নৈরবদি মহক্না হেক চঞবখৈ মচু কোক্নব হোংখলগদবনি।

(অনুবাদ সুত্র)

---

(১৮)

করম্না পুক্নীং লাকশিনখ্রি

মতম অমদ মচাদ ফংলব অদুন ভিক্ষুশিংদ অসুম হায়রমই :

ভিক্ষুশিং, মশাবু অমাংব থাথদম থাজংলিব মীশিং অদুন মথাগী থাকমশিং অসি মরক মথক্ত মীংশিংগদবনি।

১। কম্রিগুম মখোয়গী মপুক্নীংদ ডুকচব অমদি অপ-ওব-নচিংব অমানব থাথদশিং পে ক্লক্রবদি মখোয়ম মখোয়শিং অদুবু অচুমগ মরি লৈনব কম্রিগুম অমদ ওঙ্গেকদবনি। অমুব তোব অসিম মখোয়গী মপুক্নিংগী অমানবশিং অদু মাঙথিগনি অমসুং মপুক্নীং অদু মমা চেংশিল্লকনি অদুগ থ্যান তোবদ চাওখংলকনি।

২। কম্রিগুম মপুক্নিং অদুন অচুম মায়কৈদ চঙশিল্লখংদগী মহৌশাগী কত্তব স্বভাব অদুদ হাম্রগুম অমুক হনজিল্লরবদি মখোয়ম অসিগুম কত্তব থাথদগী মরু অদু লৈনদুনা থিদোকই।

অসুম তৌব অসিন নপুক্লীংগী অয়ানব অহু মাওথিগনি অমসু নপুক্লীং অহু চেৎশিল্লকনি অমদি থ্যান্ তৌবদ চাওখৎলকনি।

৩। করিগুম কক্তুব রাখলগী মরু অহু নৈনচুন থিবব কক্তুব রাখল অচৌ ওমচুম নখোয়ব অহুম চঙলক্লবদি মখোয়না মচুবু ম চেৎলা হৈন লৌথোক্লো, মখোয়শিং অমুক নখোয়গী নপুক্লীং অহু থম্মুরগনু। অসুম তৌন লাইবক চম্ম লৌব অসিন কক্তুব রাখলশিং অহু মাওথিগনি অমসু নপুক্লিং অহু চেৎশিল্লকনি অদুগ থ্যান্ তৌবদ চাওখৎলকনি।

৪ করিগুম অসুম য়াংনা থওইদনা লৌব অসিদসু অয়ানব রাখল চেৎথরক্লবদি মখোয় অহু করম ছাচাদ হৈবা, করিন ওইয়কপ হায়বচু খঙনব হোৎনৌ। অসুম তৌব অসিন অয়ানব রাখলশিং মাওথিগনি অমসু নপুক্লীং অহু চেৎশিল্লকনি অমদি থ্যান্ তৌবদ চাওখৎলকনি।

৫। তৌইগুম্নুং ময়াম পুম্নমক অসি তৌরব কাওবদ অয়ানব রাখল অহু অসুম চেৎথরক্লবদি নয়া কম চিঙ্ক্ন নখোয়গী নৈলক্তব পুম্নমক থাহুন মচুবু নমথনব হোৎনৌ। মসুম তৌব অসিন অয়ানব রাখলশিং অহু শোয়দনমক মাওথিগনি অমসু নপুক্লীং অহু চেৎশিল্লকনি অমদি থ্যান্ তৌবদ চাওখৎলকনি।

হায়রিব লম্বী মচা অসিদগী অম শিগিমচুন ভিক্ অমম মপাগী রাখলশিংবু মতম কুইনগীদমক মায়থীব পীবগুন মপাগী মপু ওইব ওমজগনি।

মতাম কংলবদুগা অদুম হায়রমই অমসু ভিক্ষুশিং অদুগা মদুগা সুথাইজরমই।

ভিক্ষুশিং, নীংশিংবু অয়ানব বাখলবু মায়থীব পীনব অমত্তা থাইরব লমাঁদ কত্তব অদুদা মসি তাহল্লিরিবা পুরোংগী ফিভমশিং অহু মরক মরক্ত য়েংশিনব অমসু অকব পুন্নবকপু শোংগৎপ হায়বনি।

(ভিতাখা-সনাতনা-সুতা)

---

(১৬)

অরা-অনা অসি করম্ন কোক্কনি

ধর্ম্ম চেল্লব কাসাপা-না নোংম মতাম কংলব অদুদা হংজরমই:

অরা-অনা অসিবু কনাগুম্ব মশামক্ত তৌব থবক্নে, গৌতম?

নত্তে, কাসাপা।

অদুদি অরা-অনা অসি মশান তৌবসু নত্তব অতোপ্পনা তৌবসু নত্তব ওইরবদি মসি লাইগী নোংদম নত্রপা তাপা অমদগী ওইরকপায়া?

অশেংনমক মদুসু নত্তে, কাসাপা।

অদুদি গৌতম! অরা-অনাসিবু অমত্ত লৈতে হায়বিরিব্রা?

ঐহাক্না অরা-অনা লৈতে হায়দে কাসাপা, মরমদি অরা-অনা লৈ।

কাসাপানা খর নীংখ কায়না য়াম্নীংদব মওংদা হায়রকই— অঙ্গুদি করে, মতাদ কংলব ইবুঙো, অবা-অনাসি নহাক্না থওদে অমদি নহাক্ক মসি উব ওবত্রে, নত্রা ?

ইবুঙো অদুন হায়রকই— মদু নত্তে কাস্নাপা, ঐহাক্না মুরাং অনা থওদে, উদে হায়ব নত্তে, মরমদি ঐ মহ্ থওই অমদি উবসু উই।

অদুগ ওজা ইবুঙো, ঐগী য়াহং থুদিংমক্ত নহাক্ক "নত্তে, কাসাপা, থাঙ্গেপেংন নত্তে" হায়বসি তাক্ত হায়বিরি। অমুকন্স, অবা-অনাসি লৈ, নহাক্ক মহ্ উবে থওলেম্ন হায়বিরি। অদুদি করিগী অবা-অনাসি য়বম অমসু মহ্ কোক্লব উপাইশিং অদু ঐঙোন্দ তাকপিব্রিবনো ?

মতাদ কংলব অদুন হায়র্রকই—

মবক তৌব থুদিংমক্ক মহ্গী মতৈ অদু নাকথৈংনম থওই। মসিগী অবা-অনা অসি মী মহাক অদুন তৌজব থবক্নি। অদুবু কমাওব অমন তৌরগ অতোপ্প অমন্ত অবা-অনা মংলখদি মহুবু অতোপ্পন শুরকপ অবা-অনা কৌই।

হে কাসাপা, তাও, শেম-শারিব পুম্নমক অসি অপওবগী মতুং-ইন্ন তৌব্রিবমক্তনি। অদুগ মথা-পোনব শেম-শাব থুদিংমক মী-ওইবগী থওবগী শক্তিদগীনি। মিং অমসু মওও পুম্নমক অসি থওব ওব শক্তি অদুগী মথা পোল্লি, অদুগ মিং অমসু মওওশিংগী মথা পোনব পুম্নমক অদু মীওইবগী ইন্দ্রিশিং অসিনি।

মীওইবগী মরি পুক্ষম্ক (অজি) ইন্দ্রিয়শিংগী মথা পোল্লি, অদুগ মরি অদুন অমুক দুইটীবু মথা পোজবল্লি। মসুং হৌজিক্রবগ অসি অমুক পুক্রীংগী রাথল অদুগী মথা পোল্লি।

ও, কাঁসাপা, থেংনব অদুন অমুক পোকপ মায়থয় ওইবল্লি। অদুগ পোকপ মায়থবুন আইন ওইব, অবা অর্মা, নীবৈ কায়ব অমসু তেংথাবনচিংব ওইবল্লি; হে কাসাপা, কদুব পুৰথক অসি মতৌ থুপ্প ওইরকই।

মতাম কংলম ইদুতো, অসিদুব মথপ নৈজরম হনুব মরি লেপিবু কদম থদকদগে?

কাসাপা, অপক্ষ মায়থলিন, কদুব পুক্রক অসিগী হৌরকল্লি, মরিগুব অপকব হায়থলিবু নৈজক্লবদি শেন্ন-শাব অমসুন্ন হে রবোই, অদুগ অদুগী মহৈ ওইন জ্ঞান, হায়বদুসু নৈরবোই। মথিং অমসু মওঙ হায়বদুসু নৈরবোই; ইন্দ্রিয়শিংগী অপাম্ব নৈরবোই; মরি নৈনব, পুক্রীংদ কাওব, মসুং হৌজিকব, কংব, ওইব অমসু পোকপ-মচিংব অমত্ত নৈরবোই। মতৌ অসুম, অবা-অর্মা, শিঙব কায়ব, তেংথাবনচিংব অসি মতম পুক্ষমকী ওইন লেপত্রগনি কাসাপা।

(সাম্মুক্ত নিকায়া)

ধ্যান্ অমসুং পূন্নীং চঙব

ভিক্ষুশা। ধ্যান্ তৌবগী মতিক চাব অম ওইনবগীদমক অমদি ধ্যান্গী অহানব থাক অহ্ মোব ওস্লনবগীদমক মী অমম পোং তরুক্কথক থাদোকদবনি। পোং তরুক অদু করিনে' ?

হায়দ্রিব পোং তরুক্ অদুদি : ইন্দ্রিগী সুখাইবদ পুক্নিং লুপ্পা ক্রুর থনব, অতনব শাওগনব, বাগনব অমসু চিংনগমব অসিনি।

ভিক্ষুশা, ধ্যান্ তৌবদ থাক মরিথক লৈ। মদু করিনো ?

অহানব থাক্ত ভিক্ষু অমন ইন্দ্রিগী সুখাইব অমসু পূন্নীংগী অয়ানবশিংদগী ন'ম্থোক্তুনা অ'চিকপদ চঙলকই। মখোয় মথাক্ত অচিকপ অদুঁ থুগাইদুনা য়েংব অমসু মসুং হন্থিনা থিজিনবগী মওঙ্ত অম ভারকই। মদুনা সুখাইবথোমদ চঙশিল্লকনি।

থুগাইদুনা য়েংব অমসু মসুং হনজিন্না থিজিনব অদুগী মতৈন ধ্যান্ তৌবগী অনিসুব থাক্ত পূন্নীং অসি অমত্ত ওইনা মচিন তুম্না থৌনা চঙশিল্লকনি অদুনা হৌজিক ভিক্ষুদু থুগাইদুনা য়েংব অমসু থিজিনবগী থাক অদুদগী চেংশিনজ্রগনি। অদুগীদি মথাক পূন্নীং অমত্ত ওইনা লৈরকনি। অমসু মদুনা য়াম্না সুখাইরব কিচম অমদ ভারক্লগনি।

ধ্যান্গী অহুমসুব থাক্ত ভিক্ষু অদুনা বশামকপু য়াম্না সুখাইব হায়বদুগ থেমব লৈতব, সংসারগী করিগুম্ব পোং থুদিংমক থেমব

লৈতব অমত্তু ওইবা কিবগ কংলগদি অমসুং মপানগী ফানচুং লৈখিগনি। মহাক্ক অকা-অপুরব লৈতব মনীং তম পুক্নীংগী কিবগ অমদ লৈত্তাব লৈবক্তু কংলগনি অমসুং পুক্নমক থওগনি, অদুবু করিগুম অমত্তু দরকার লৈরোই।

ধ্যান্ তৌবগী মরিক্সুব থাক ভিক্ষু অচুম অরাব-শুভাইব অনিমককী মপুঙফাব কোকপ ওমই, অমসুং পুমশেং শেংলব ঐ হায়ব মওঙ অদু কংই।

ভিক্ষুশা, মসি ধ্যান্ তৌবগী থাক মরি হায়ব অদুনি।

ভিক্ষুশা, গঙ্গা তুরেলগী ঈচেনবু সমুদ্রন চিংশিনবগুম্ ভিক্ষু অমন-ধ্যানগী থাক মরি অসিগী মনাক্ত চংলুরবদি মহাক অদু অরান-খুবমলোমদ চিংশিনগনি।

---

(১৮)

পুক্নীং চঙগদব পোৎশিং

ভিক্ষুশা পোৎ মঙা অসিদি সুপা, মুগী, মুমপানব অমসুং ভিক্ষু পুক্নমক্ত পুক্নীং চঙগদবনি।

১। নোংমদি ঐ শোয়দনা অহল ওইরকনি অমসুং মদু ঐনা থাদোকপ ঙমলোই।

২। নোংমদি ঐ নাযরকনি অমসুং মদু ঐনা থাদোকপ ঙমলোই।

৩। ব্রো'বতি ঐ লিগনি অমনং মহু ঐনা থাদোকপ ঙ্কমলোই।

৪। ঐনা দুংশিন পান্ন খঁমঅবিব পোৎ থূদিংবকসি হোংলকদব, মলকদব অমনু কায়নয়গদব তাতনি অমন্থ মহু ঐনা থাদো়কপ ঙ্কমলোই।

৫। ঐ অসি ঐগী কর্ম্মন ওইরকপনি, অহুন বপে কৌ-কৎলোই তোকউ ঐ অসি মখোয়গী মথা পোনবনি।

তিক শিং, অহন ওইবগী বাখল অহু তৌরুবদ নবা ওইবগী নাপল অহু মাওখিগনি নত্রপ থরদং ওইরবস্থ মেয়েং তাখিগনি। ম্যায়নাশিংগী বাখল তৌরুবদ পাঙ্গলগী নাপঁল অহু মাঁওখিগনি নত্রপ থরদং ওইরবস্থ মেয়েং তারকনি। অশিবগী থন্ন্‌বদ পুন্সিগী নাপল অহু মাওখিগনি নত্রপ থর হম্থপখি। দুংশিরব পোৎশিং অসিগী অহোংব অমস্থ কায়নবহু থন্ন্‌বদ লৌনিং-চানিংবগী মিতৌবহু কোকনি নত্রপ থর হম্থগনি, অমস্থ কর্ম্মগী ফলন মীওইবসি ওই-রকপনি থন্ন্‌বদ কত্তব বাথল; বাহৈ অমস্থুং থবকশিং অসি কোক-খিগনি নত্রপ থরদং ওইরবস্থ হম্থরকনি।

মরম মশা অসিদ বাথল থন্নিব মথাক অহুন মহাকী নাপল নত্রপ মিতৌবহু কোকহনব ঙমগনি নত্রপ থর হম্থহনব ঙমগনি অমস্থ মতৌ অম্মুম্ন মহাক্ক অয়ান-থুভব কংনবগী লগী অচুদ তারকপ ঙমগনি।

(অঙ্গুত্তারা-নিকায়া)

কিদম ওইরব বৈরাগী

মতম অমদ আশাপূবা কৌব মকমদ ধর্মগী মতা অমদ ভিক্ষু ময়ামগী মকমদ মতান কংদব অচুম হায়রিঃ

ভিক্ষুশিং, নখোয় অঁসবু বৈরাগী ওইনা খঙনয়ে। অচুম অশেংব বৈরাগী ওইবগী শিনকম অমত্ মা অঁসবু বৈরাগী অঁসিদ চঙবনলকপগী জানগী থাক নত্রপ মওঙ অমু খঙজিনব তাই। অচুম বৈরাগী, অচুব ব্রাহ্মণ ওইবগী অশেংব জান্ অমু কয়িনো ? মসিদি সাধনা মখল মঙা চঙই।

১। নখোয় নশাবু থজিক্কংল লেমবগী সাধনা তৌ।

২। বাখলদ, বাহৈদ অমদি থবক মসিগী সাধনা তৌ। ইচম চম থম্মোয় শাংদোকউ, অতোপ্পগী কত্তব তাঙপনু অমত্ থনগনু।

৩। নখোয়গী নশাগী ইন্দ্রিয়শিংবু য়েংশিনব তম্মু। ইন্দ্রিশিংগী অয়াম-খৌরাংবসিবু কাখিজ্জু।

৪। নখোয় নশামক চিঞ্জাক চাংবাইব তম্মু। হয়াও খুঙাইবব অমদি ইন্দ্রিয়দমক চাগনু অমদি দরকার ওইবদগী হেন্দব তম্মু।

৫। হৈশিংব, মতম পুম্নমক পূক্নীং চঙব অমদি আত্মা জ্ঞান লৈবগী সাধনা তৌ।

মতৌ অসুম মশাবু সাধনা তৌব ওয়ব মহাক অহৈ বৈরাগী অমনি অমসুং অশেংব ব্রাহ্মণ অমনি: ময়মদি মহাক্ত অশেংব বৈরাগী ব্রাহ্মণ ওইহনবা জ্ঞান অদু লৈ অমসুং মশামক কিবা অসিন পুল্লি সাধনা মচা অসি তৌই।

মচাল কংলব অদুন অসুম হায়রি অমসু ভিক্ষুশিং অদুনা মহুক ন্যাওরকখি।

(মহা-আশাপুরা সুত্র)

---

(২০)

শেংবা হন্দোরক্লব

মতম অমদ মচাল কংলব অসিন অঙ্গ লৈবাক্ত লৈরিবৈদ মচোক্ত মুখানবদগী হন্দোরক্লব মপা অম লাক্লমই। মহাক অসি মশাগী লম-থুম পুম্নমক মচানুপাশিংদ পীথোক্লম্লে অদুগ সাধারণ পুন্সিদগী হন্দোরক্লমই। মচাল কংলবদুন মহাকপু অসুম হায়রদুনা ওক্লমই— "লেঙশিনবিয়কউ, কিদাব কধীয়ু মুখানব।" মসিদ হন্দোকচরক্লব মুখানব মপাদু মায় শাউবে অমসু মচাল কংলব অদুদ মতৈ যেংলদুন করিমিদমক ক্যরন্-মথুম পুম্নমক থাদোকচরব ওশেংন য়ুমপানবগী থবক থাদোকচরব মহাকপু "য়ুমপানব" হায়ং মিংনো থংজরমই।

মথংদ মচাল কংলব অদুন হায়ক্লমই : * য়ুমপানব অমসু থাদোকপ মথল অনিগী খেন্নব লৈ; মখোয় অদুদি :

১। পুন্সিবু শেংনা লৌচুনা থবাই পানবশিং হাৎপ অসি লেপকদবনি।

২। মীরক্তব পোৎ লৌরুদুনা হুরানব লেপকদবনি।

৩। মাম্ন চেকশিম্ন অচুম্ব ঙাকুনা মীনম্ব থাদোকদবনি।

৪। অতোম্নগী কজুব ঙাম্বুনা বদনাম তৌব্রোইদবনি।

৫। অকোম্নগী মপোৎশিং পামদুনা মিৎৌব তোকদবনি।

৬। কজবতা ঙাঙদুনা চীনথীব তোকদবনি।

৭। পুক্নীং কাদুনা শান্তি ওইনা অশাউব থিংগদবনি।

৮। ঐগী ওটানিংব মাথল অদু থাদোকপ হায়ব পুকচেলনা থিংগদবনি।

মুখ'নব, মখোয়শিং অসি থাদোকদব মরম নিপাল অদুনি।

মুখাগব পুপা অঙুব মঙাল্ কংলব অদুদ বাকমশিং অসি শন্দোক্ল তাকপিনব হায়ত্রমই অমসু মহুদ ইবুঙোদুন হায়রমই—

পুন্সি অসি শেংনা থমদুনা থবাই পানব হাৎপ অসি তোক-দবনি অমসু হুরানব, মীনমনচিংবশি থাদোকদবনি হায়বসিদ থাদোকদব পুন্নমক লোটন হায়রব নত্তে। সংসার অসিম থাদোক-পগী কাওব পুকচেল চাউরব লগী অসিদ পাউতাক য়াওরি।

মুখানব অদুন হায়রমই—সংসার পুন্নমকী ওইব থাদোকপ হায়বদুবু করি ওইরবনো মদু চানবিদুন শন্দোক্ল তাকপীয়ু—মসিদ মঙাল কংব্রব অদুন অমুম্ন হায়রমই।

১। চাব কংদদুন মপূক লাম্নব হুইদুন শা-হাৎশঙদ চৎলি অমসু শা হাৎপদুন শত্নম্ পকত্রব শরুদু মঙোল্দ লংথোবকই। মবুক লাম্নব হুইদু মহুন পেল্লগত্রা?

নত্তে পেন্নোই, ইবুঙো!

মওঙ অসিগ চপ মান্নন, ইস্রেলগী মচাইবশিং অসিন আত্তাগী খৌরাংবদা কোকপ ওবদে। মসিগী অকুপ্প অসি মতলব কনাগুম্বন অপায় পুম্নমক থাদো'কুন পৃথিবীগী পোৎ খুদিংমগী মথোকপ ওবই।

২। অমাংব অভিরাম শত্রুম মচেৎ অম পুবহুন লত্তা অম পাইরি অমসুং অভোম লত্তাশিংনা মহুবু মুন্নবগীদমক মুন্না লেংহুন লৈরি। অহুগ লত্তা অহুন করি তৌরকদগে। মরুচদি মহাক থমব ওবত্রা?

কবিগুম শত্রুম্ মচেৎ অহু থাদয়তব্রদি অভোম লত্তাশিং অহুন মুনব মাই অমসুং পূরিব লত্তাচু শিব মান পোকপ মাই হায়চুন মুবানব অহুন খুনথি।

হায়রিবমু অসিগ চপ মান্নব ইস্রেলগী মচাইবশিং অসি থাদো'কদবনি, অচুব অসি মতলব কনাগুম্বন পৃথিবীসিগী পোৎশিংব মপাশিন্দুন লৈরিব অপায় পুম্নমক থাদোকপ ওবগনি।

৩। মুপা অমন মচাশিং লৈরমদ চক্লগী অচাকপ লৈরা অম পায়চুম চৎলি। কবিগুম মহাক্না মহুবু থা'দোকত্রবদি লৈরি অচুম মখুৎ অমদি অতৈ মপাশিং অহু লৈ মায়মোইত্রা? মসিদ মহাক্না করি তৌগনি মুমপানব?

মহাক্না লৈরাচু থাদগনি ইবুঙো।

হায়রিব মওঙ অদুবত্তদা ইস্রেলগী মচাইবশিং অসি থাদোকদবনি। অচুব অসি মতলব কনাগুম্বন পৃথিবীসিগী পোৎশিংদ মপশিন্দুন লৈরিব অপায় পুম্নমক থাদোকপ ওবগনি।

৪। অচাকপ মৈতাম থম্লব অরুব কোম্ অম মৈ হাম্বন থম্লসি মচুগ পুন্সিগী সুতাইব পাম লিনিংঙ্গিব সুপা অমসু অতোম্ব অকনব সুপা অনিমা কোম্ অসিদ কয় চিংলি।

সুপা অদুন অচাকপ মৈগী কোম্ অদু কিমন অতোম্বশিংগী অকনব খুৎপাইশিং মাহোম্বব মহাক্ত হেক তৌমধৈ হোৎনবোইদ্র ?

অহোয়, ইবুঙো! হোৎনগনি।

ইস্ত্রিগী সুতাইবশিং অসি থাদোক্তনব অচাকপ কোমদুগুম্বনি। অদুগ অসি থক্তনব কনাগুম্বন পৃথিবীসিগী পোৎশিংদ মপাশিন্দুনা মৈরিব অপাম্ব পূম্বক থাদোকপ ঙমগনি।

৫। কনাগুম্ব সুপা অমন সুতাইরব অঙ্গন কয়া অমদি পাৎ কয়াগী মচ-মচেলুব য়াই, অদুবু মহাক্ত তৃপ্তনগী হৌগৎলকপদি করিগুম্বা অমত্ত ঊব ফংলোই। মসিগ চপ মান্নবদি ইস্ত্রিগী সুতাইবশিং অসিনি। অদুগ অসি থক্তনব কনাগুম্বন পৃথিবীগী পোৎশিংদ মপাশিন্দুনা মৈরিব অপাম্ব পূম্বক থাদোকপ ঙমগনি।

৬। কনাগুম্ব অমন অ:তাম্ব অমদগী শেল-থুম্ থম্ব পূরুবে অমসু মচুন মশাগী মনা-লুপা, কি-রোমনচিংব মৈচুন শেৎ চারগা মীয়াম তিমব কৈথেল্দ থোরক্লুন মীনা মহাকপু ইনাকখুনব মী অম ওইন নীংহম্বব হোৎনবগুম থম্লসি। মচুদ মহাক্তন অদুন শেল্দোনগী মতুংইন পোৎ;চৈ পূম্বক অমুক হন্ন লৌথিবগুম্বনি।

ইস্ত্রিগী সুতাইবশিং অসি অমুম হন্ন লৌথিগদব পূম্বব শেনং কমগুম্বনি। অদুগ অসি থক্তনব কনাগুম্বন পৃথিবীগী পোৎলকশিংদ

নপশিন্দুনা লৈরিবা অপাম্বা পূম্বমক থাদোকপা তমগনি।

৭। মহেৎ অমগী মনাক্তা লৈবা অংগাং অমদা অমুবা উহৈ পানবা, অদুবু মখোয়গী উহৈ অমত্তা মুন্দুনা কেন্দবা উপাল অমা হৌরিবা নীংলসি মচুদা মপুক লাম্নবা উহৈ থিবা সুপা অমনা মখোয়দা অমুবা উহৈ তাবা উত্রুনা মপুক থম্না উহৈ চাবা অমদি কিপাও থম্না হেক্রুবা উত্তু কায়। মথৌ তাইহাক লৈরগ, মপুক লামতুনা উহৈদি চাগংবা উ কাবদি হৈজদবা সুপা। অমসুঙ লাকলে লৌরসি। মরম অদুনা অনিশুবা সুপা অদুনা মথুক্ত পায়বা শীজংদুনা উত্তু য়াম্নদুনা তুকল্লগ মপুক থম্না উহৈ চাগে নীংলে। অত্তু ওইরবদি য়ুম্বানবা, অকানবা উথক্তা কাথিবা সুপাদুনা কমি তৌরকনি। অতোপ্প সুপাদুগী শীংজেন উ অদু য়ানক্রিবৈগদা মতাক য়াম্না থুনা কুমথরকনি নত্রগা শীংজেন য়াম্দুনা উ অদু তুবদা য়াওদুনা শিরগনি নত্রা?

“হোয়, য়াদি ইবুঙো!

ইন্দ্রগী দুকাইবসি উ অদুদা পানবা উহৈদুদবনি। অদুম্ব অসি থওলবা কনাগুম্বনা পৃথিবীগী পোৎশিংদা নপশিন্দুনা লৈরিবা অপাম্বা পূম্বমক থাদোকপা তমগনি।

ইন্দ্রগী দুকাইবদা লৈরিবা অরা-অনা থুদোংথীবশিং থগুনা থাদোকপা হায়বসি অদুম্ব লমীদুবা শোয়দনা তারক্লগদবা সংসারগী ওইবা অচৌবা থাদোকপা অমনি। মহাক্তা মচানুপাদা নরন-নথুমু পূম্বমক পীরবা মতমদা ঐনা হৌজিক মথক্তা হায়খিবা অম্বা থাদোকলম্বা হায়দু য়ুম্বানবা।

মসি তাবরদ যুমপানব অচুন মহাকী পুংশি·পাম্ব থাদোক্লবদু থওজরক্লে অমসুং মওাপ কংলব অচুগী মফমদ চওজরে।

(পোটালিয়া সুত্র

(২১)

ভক্তগী লাইশোন

অশেংব ভক্ত অসি কনানো ?

অচুম্ব অমম্লং পূকচেল শেংব, ৱাঙাও তপ্প অমদি মীনমদব মহাক অদু অশেংব ভক্তনি।

মপুক্লাংদ অপেনবন হেন্নব, অপাম্বন ৱাৎলব অমদি মপুক্লাং লাকশিল্লব মহাক অদু অশেংব ভক্তনি।

মমা অমন মথৱাই থাব পামূদন মচাবু কম্বব হোৎনবগুম থৱাই পানব পুম্নমক্কী মফমদনু অমগ অমগ কম্নগদবনি অমসু ভমখৈ লৈত্রব অফব ৱাথল পীনগদবনি। ভমখৈ লৈত্রব অফব ৱাথলন পৃথিবী পুম্নমক্ত, মথক্ত মথাদ অমসু অকোয়বদ শন্দোক-সনু। কন্নক য়েংথিনব, তুকচচব হঙ্গোইনবন অমুক হনজিন্নকপ ওমদব ওইসনু।

(মেত্তা সুত্র)

(২২)

ফিগী বারী

করিগুম্বা কি অসিনা চুরব অমদি মোংলবদি মচু শঙব মীচুন অশংবদ নক্রগ নাপুদ নক্রগ অঙাঙব নক্রগ করিগুম্বা মচু অমদ লুপশিল্লুরবস্থ কদোংদ নীংথিন মচু শঙব য়াদে।

ভিক্ষুশা, মসিগী মরম করিনো? মরমদি অসিনি মচুদি কি অচু মোংলে।

অচুগুম্বচুন ভিক্ষুশা, পুক্নীং অসিন মচু তারব অমদি থম্মোয়দ শেংদব লৈরবদি অরা-অনা খুদোংথীব ওাক্ত চঙলকনি।

করিগুম্বা কি অচুন চুত্রব, তরু-তরুব অচু ওইরবদি অশংব নক্রগ নাপুদ নক্রগ অঙাঙবদ নক্রগ অংতোপ্প মচু অমদ হেক্তা লুপ্পদ নীংথিন মচু শঙব য়াগনি।

মসিগী মরম করিনো ভিক্ষুশা?

মরমদি কি অচু শেংলে, অচুননি।

অচুগুম্বা ভিক্ষুশা, পুক্নীং অসিন চুত্রব অমদি থম্মোয় অসিন শেংলবদি কৃপা পুম্নমক অাশা তৌব য়াই।

অচুদি হৌজিক শেংদবশিং বায়বচু করি করিনো?

মথোয় অচুদি 'কলক-মিহৌব, লাম থনব,' অশাঙব, তমথীব, মীনব, চাউথোকপ অমসু অতনবশিং অসিনি।

(ভাংহুপাথা সুত্র)

উতুপকী ৱারী

ভিক্ষুশা, মখোয়না গঙ্গা তুরেল্দ ভাউথরকইব অঙ্গলগী উতুপ অসি উরব্রা ?

যৌভিক, ভিক্ষুশা, উতুপ অসি তোর্ব্বান অসিদ মত্রগ অশোমদ চিংথংত্রব, তুরেন্দ লুপত্রব, মসি মপুংদ পুম্নমত্রব, অদুগ মসিবু ঈরৈন পুথখিত্রব মত্রগ কনাগুম্বন খুনখিত্রব অদু ওইরবদি শোয়দনমক্কী সমুদ্রদ ভাউথ'শিগনি অমস্যু সমুদ্রন মসিবু চিংশিন-খিগনি।

মতৌ অদুগুম্ব ভিক্‌ুশা. মহাক্ত তুরেন মপান্‌ অসিদ মত্রগ অশোমদ কাথংত্রব, নত্তন তুরেন ময়াম্নদ লুপত্রব, নত্তন মশা মপুংদ অপুম অম ওইত্রব, নত্তন ঈরৈদ লুপত্রব মত্রগ কনাগুম্ব অমন নত্তবু ফাখিত্রব অদু ওইরবদি নহাক শোয়দনমক্কী অয়ানব খুবমদ ভাউরগনি অমস্যু শোয়দনগী অয়ান-খুবম্ন নত্তবু চিংলগনি।

অচূম ধর্ম্ম চৎপা মীবুদি মুক্তিন কৌই অমদি চিংশিল্লি। মহাক্ত ইন্দ্রিগা মরি লৈনব য়েৎ-ওইগী অথদি মথক মথাগী মপান্‌ নত্রগ ঙমথৈ অনিমকপু থাদোকই। মহাক্ত কামগী পুঙাইব অচুম লুপ্তে, অমদি থম্মোই বৈঙুম শাম্নব নিঙমদব মৈচাক কাওব অরোনব পাপশিংগী শামবুং অম মহাক্ত ওইদে। মহাক্ত ইন্দ্রিশিংগী

মরি লৈনব মুত্তাইবগী ঈথক-ঈরৈশিংবু কারুদে অমদি অরাব মুত্তাইব হায়বদুনসু মহাকপু খুত্তম চনব ঙমদে।

ভিক্ষুশিং, নিংশিংঙু, অচুম্ব ধর্ম চৎপ অমম মুক্তিগী লম্বীদ অখিংব ওইবশিং অমুবু থাদোকই অমদি সমুদ্ররোমদ চিংশিল্লিব উতুপকুম মহাক্ল মুক্তিরোমদ তাউরকই অমদি চিংশিল্লি।

(সাময়ুক্তা নিকায়া)

(২৪)
নুংশেনগী ক্লারী

মতম অমদ মত্তান্‌ ক্বংলব মবুদ্ধো অসিন সাভাংথিগী মনাক্ত লৈব জেটা কৌব উমংদ লৈরমই। মকম অদুদ মহাক্ল ভিক্ষুশিংগী মকমদ মী অমগী মশাগী চাওখৎনবগী মরমদ হায়খি।

ভিক্ষুশিং মখোয়না, অতোপ্পশিংগী পুক্লীং হাথল পাব থঙব ওমগ্রবসু মখোয়না মসিমদি শোয়দনা নপুক্লীংদ লেপচগদবনি। "ঐ ইশাগী পুক্লীং হাথল অসিত্তদি চুম্ব থওব অমদি ইশাবু হৈশিংব অম ওইজনিংই।"

অহুদি মতম অসিগুম্ব হৈশিংবসি কমদৌন ওইগনি? মওং অমুম্ব কনাগুম্ব মুপী নক্তগ মুপা নক্তগ মুপামচা অমন মশাগী কিদেৎ লৈতেংবু মুংশেল্ল রেংমুল মখায়দ অমদি অমদি অতৈ মুকমদ পকপ কত্তব অশোয়বশিং শেমদোকপগুম

অমদি কবিগুণ মমায় অচুন নাল্লব অমসু ফজরবদি মহাক্ হায়— "হৌজিক, ঐ তশেং-তশোংনে অমসু ফজরে।"

অসুম তৌচুন ভিক্ষুশিং, ইশা ইথস্তবু পরিক্ষা তৌচুন য়েংশিনজবাসি য়াম্ন কায়ে। মখোয়মন নখোয়গী থওব হায়ব জ্ঞানগী মুংশেল অচুপ নশাবু য়েংচুন হংজগদবনি। "ঐন অমদি ঐবু মিৎৌত্রব্রা? ঐন অমদি ঐঙোন্দ ফস্তব বাখল লৈত্রব্রা? ঐ অসি অচৎনব অম ওইদ্রব্র? ঐগী পূক্নীং অসি ভথকত্রব্রা? ঐ অসি চিংনব অমদি অকিব লৈবিত্র, নত্রগ কোয়ত্র? ঐ অসি অশাউব ফত্রব্র? ঐন মচুবু লাকশিল্লত্র? ঐগী বাখলশিং অসি শেংলত্র? অমদি কনশিল্লত্র? ঐ অসি ইন্দ্রিশিংগী মথা পোল্লিত্র নত্রগ ঐন মখোয়বু লাকশিল্লত্র?

ভিক্ষুশিং, অসুম নশাবু পরিক্ষা তৌবব অসিদ নখোয়দ মিহৌব, ফস্তব বাখল, অচনব, পূক্নীং ইয়াং হৌব, চিংনব থবক তৌব, অকিব, অশাউব; পূক্নীং লাকশিনবকচিংব য়াৎ লক্লবদি নখোয়গী নপূক্নীং অচু থয় কয় অমুক ফত্রব, অমাঙব মখোয়শিং অসিবু ওয়ব নমৎৌ।

কনাগুবগী কোয়েম বৈ বায়য়বদি ভিক্ষুশা, মহাক্ মচু মুথৎনব য়াঙন হোৎনগনি। মতৌ অদুগুম্ন কনাগুবন ফত্রব, অমাঙব, কিবমশিং অসিবু মপূক্নীং অমসু মথমোয়দগী য়াঙন ভাম্হোকদবনি।

(সুত্র পিতাকা)

উ বিমগী ৱারী

সংসারগী অফা-অপুন্ অসিদগী মী অমগী মশা নাম্থোক-লবগী মরমদ বা তাঙনরকপদ মতাম কংলব ইযুঙো। অদুন অসুম্ব হায়রমই— ভিক্ষুশিং, কনাগুম্ব মুপা অমন অকব উগী বিম অম পামলে অতুন মহু থিব খোৱক্লে হায়রন লৌরসি। মহাক্ন অচৌব, অকনব, অমস্থু অশাংব উ বিম ওইব য়াগদৌব উ অমগী মনাক য়ৌরে। অদুদগী মহাক্ন উ পাম্বী অদু য়াল্লে, অদুগ কাম্নদ্রব উশা। অমস্থু উকুশিং অহু পুহন চৎখ্রে। অসিগুম্ব মী অসিবু নখোয়না করি হায়গদগে? উশা-বাশা, উরু রারুহুগ উ বিমগ থেম্বব থওয়বব মুপা। অদুবু নখোয়না করিনি খনগদগে? মহুন মহাক্না উ বিম অমগী দরকার নৈবহু নীংব থুংলরোই।

মতৌ অসুম তৌহন, হে ঈচিন ঈনাওশা, অশেংব পুন্সি অহুদি মিংদ, মিংচত্ত, নত্ত্রগ আদর্শ ওইব নিয়মশিংদ, পণ্ডিতশিংদ, জ্ঞান্দ নৈতে।

অচুম্ব অশেংব পুন্সি অহুদি থম্মোয় অসিবু অফা-অপুনব-শিংদগী শেংব নাম্থোক্লবত্তদ নৈ।

(মাজহিমা নিয়াকা)

ছাত্রগী শক্তি

মতম অমদ মতীক চাউরবা ইবুঙোহল্লা ভিক্ষুগী মফমদা ছাত্রগী শক্তিগী মরমদা বা ঙাঙলমই মহাক্না হায়রমই—ছাত্রশিংগী শক্তি মঙা লুই।

১। থাজবগী শক্তি: অশেংবা ছাত্রনা মাগী ওজা নত্রগা গুরুগী অশেংবা মচাল, অমসু অশেংবা অচুম্বদু তাকপিবা ওজগী শক্তিদা থাজবা লৈ।

২। জ্ঞানগী শক্তি: অচুম্বা ছাত্র অমনা মহৌশানা মহাক্কী জ্ঞানগী শক্তি লৈগদবনি অহুবু করিগুম্বা অরানবা বাথল, বাহৈ অমসু রাঙাঙদা মাঙনা অরাবা কাওবগী জ্ঞান্ লৈগদবনি।

৩। অকিবগী শক্তি: অচুম্বা ছাত্র অমনা অরানবা বাথল, বাঙাঙ অমসু থবক্তগী ল'কপ মরানশীবা বদনামবু কিবগী শক্তি লৈগদবনি।

৪। থৌনাফবগী শক্তি: অচুম্বা ছাত্র অমনা অরানববু থিংনবা অমদি অচুম্ববু য়োকথৎনবা শক্তি লৈগদবনি।

৫। মপুং ফজিন্না উবগী শক্তি: অচুম্বা ছাত্র অমনা পোৎশিংগী অশেংবা কিবম য়েংবা ওম্বগী শক্তি লৈগদবনি অমসুং অরা-অনাশিংগী হৌরকফম মরু মুথৎনবা শেম-শাগদবনি।

তাও, ভিক্ষুশিং, নখোয়না অরাবা মাওংহন্নিংলবা অমদি পুম্নমক্কী অচুম্ববু কংনিংলবদি নখোয়দা থাজবা, জ্ঞান্, অকিবা কোকপ,

অমসুং মসুং ৱক্রিম ইবগী শক্তিশিং অসি লুম জৌঁহুম চাওখৎ-নবগদবনি। মরমদি ভিক্ষুশিং মখোয়শিং অসি অচুম্ব ছাত্র অমগী শক্তিশিংচুনি।

(অঙ্গুত্তরা নিকায়া)

---

(২৭)

মকুপ মপাং ওইবগী হৌরকফম

মতম অমদা মঙাল্ কংলব ইবুঙো অসিনা কোসলদা চৎপদা মমম অদুগী ভিক্ষুশিং খংনবগী পাউ তারমই। মথাক্ত খংনরিব ভিক্ষুশিং অদুবু মনাক্তা কৌদগা অসুম হায়রকই— ভিক্ষুশা, নখোয় অমগা অমগা হুনদুনা, চৈনচুনা খংনরে মরমদি নখোয়না অচৌংবা অমসুং শান্তি ওইবা জ্ঞান্ অদু নখোয়না খঙত্রে।

ভিক্ষুশা, অপুনবা অমসুং মকা লাপ্পা তারকুবা জ্ঞানগী মওং হরুক খকু লৈ।

১। ইমাগী থবাই পানবশিংগী মফমদা কনবা থনবগী থবক;

২। চয় তাঙখোকপা অমদি কনবা থনবগী বাশিং।

৩। অতোপ্পগী কনবা থনবা বাখলশিং চুম্বা থক।

৪। নখোয়গী লৈজবদু অতোপ্পশিংগ তল্লু মচেৎ অমা কাওবা অথাকপা লৈতনা য়েংবা।

৫। নখোয়গী দোষ লৈতবা, অফাংবা ধর্ম্ম অদু অতোপ্পশিংগী শরুক তৌবা।

৬। নখোয়গী অকোয়বদ লৈরিব কণ্ডবশিং অদু য়াম্না পুক-চেল চাউনা মুংশিবগা লোয়নন শেংদোকউ।

মখোয়শিং অসি জ্ঞানগী মওঙ তরুক অদুনি। মখোয়শিং অসি মশান মরুপ-মপাং ওইজবা, ব্যবহার লৈজবা, অপুনবা অমদি মুংশিনবা হায়বদুমখি।

তাও। ভিক্ষুশা; জ্ঞানগী মওঙ তরুক অসিনা থোইদোকপা জ্ঞান অদু ঐখোয়দা পী, মখোয়শিং অসিগী মমুংদা অমতাংনা মথং থাক অদু ফংহল্লি। মরম অসিনা অমতংবু ফংলবদি অমুক মীংঙমবগী ময়ম লৈতে।

(কোসাম্বিয়া সুত্র)

(২৮)

করিগীদমক অপেংব তুরেলশিংদ ঈরুজনৈ?

সুন্দরিকা ভর্দ্বাজা কৌব ব্রাহ্মণ অমন মওাল ফংলব ইবুংঙো অসিদ বাহুকা তুরেলদ ঈরুজবরকত্র হংলমই। অদুগ মখাগী বারী অসি শাখি।

ব্রাহ্মণ, বাহুকা তুরেল অসিদ করি লৈবগে? মসিদ ঈরুজবগা করি তৌব ঙমগে?

গৌতমা, মীশিংনা বাহকা তুরেল অসিবু অশেংবা অমনি লৌবৈ অমসুং মসিদা ঈরুজবনা মীওইবগী পাপশিংবু চাবখোকই হায়বৈ।

অহুদগী মতাম ফংলব ইবুঙো অদুন হায়রকই। অপঙবন বাহকাদা নত্রগ ঘরসতী নত্রগ বাহখাতীদ ঈরুজব য়াই; অমদি অতোপ্প ঈশিংদ তোয়ন ঈরুজরুব য়াই; নত্রগ মহাক্র প্রয়াগ নত্রগ গায়া তীর্থ চৎলুব য়াই, অদুবু মহাকা অপঙবগী অমুব কালি অচৌদি শেংদোকপ ঙম্মোই অদুগ পাপি অমন মাগী পাপ অদুবু চাবখোকপস্ত ঙম্মোই।

তুরেন্ন করি তৌব ঙমই হায়বগে? প্রয়াগন করি তৌই হায়বগে? মরাল লৈরব মীদুগী ফতব থবকশিংদু নখোয়ন চাবখোক্প ঙমদে। মখোয়ন পাপি অমবু শেংহনবস্ত ঙমদে। অদুগ থম্মোই শেংনবগীদমক্তদি গুবিৎ থুদিংমক অশেংব ঙাক্তনি, মরমদি মখোয়গী থবকশিং অদু কৈ অমদি মখোয়না থবাই পানব পুম্নমকপু কনবা অমসুং সুঙাইহল্লি।

নীংশিংঙু ব্রাহ্মণ, নখোয়ন মীনম ঙাঙত্রব অমদি থবাই-পানবশিংগী মাঙনব তৌত্রব, নখোয়ন হুরান্দ্রব নখোয়ন থাক-রব অমদি কনশিন্দ্রব অদু ওইরবদি করিগী গায়া থিগ-দৌরিবনো? নখোয়গী মুমগী ঙুবাহ পায়ানি।

(ভাথুপামা সুত্র)

(২৯)

সাধনা

ভিক্ষুশা, ঐহাক্না পাঙথোক্লবা থবক অনিথক লৈ। অকব মওংদ ইশা-ইতোমবত পেন্থোকচব অমদি লানফমদগী পাঙবব ওইহনবা যায় লৈদ্রুন চেনদব।

তুং ওন্দুনা চেন্দবসিনা ভিক্ষুশা, ঐহাক্না পুন্সিগী লানফমদ অসুম অসুম চঙশিল্লি। ঐনা ইশা ইথন্দনা হায়রে; ঐগী ইশাসি চুপ উনশাননা কুপলসু অমদি শরু থাক থাইরসু। ঐগী ঙৈ অমসুং তো শাশিং অসি কংব্রসনু, তৌইগুমসুং কবিঙুবদা জয় তৌখিদ্রব অমদি ঐনা জয় তৌগনি। অসুম্না অংনব লৈ তব লোইনব, অতমব অমন ঐনা জ্ঞানগী মিকপ থোকপ অসি ফই। অমসুং মফা-অপুনশিং অসিদগী মপুঙ ফানা না তম্মু ফংই।

ভিক্ষুশিং, ঐনা মথং বথং লানথেংনদ্রুন নথোয়দ হায়রি; ঐগী তেংশা পুম্নমক মন্থুনা উনশাদন কুপ্লব শরু থাক্না ওই-সনু, ঐগী ঙৈ অমসুং তোংশাশিং অসি কংব্রসনু, তৌইগুমসুং ঐদি অতোপ্পশিংনা জয় তৌরক্লিবা অমদি জয় তৌগনি।

মতৌ অসুম্না নথোয়সু ভিক্ষুশিং, অংনব চোকথব নাই-দব নথোয়গী অথোইব জ্ঞান অদুন হৌজিকমক মফম অসিদ মীশিংনা মদু ফংনবগীদমক য়ুমদগী য়ুম লৈতব মওঙদ থোক-লক্লিংব অদু ফংগনি।

তাও, ভিক্ষুশিং মসি মখোয়গী মশাবু করম্ব সাধনা তৌকপদগে হায়বগুনি : ঐখোয়গী অকোয় মওং অম তানবদ কনৌতৈদে লেপলোইদবনি। ঐখোয়গী কনৌতৈদে লানকমদ চুং ওন্দুনা চেল্লোইদৌবনি।

ঐখোয়গী ইশাগী তোংশা অসি য়াওদবা উনশাদন কুপ্পা শম্না ওইজসমু অমদি ঐখোয়গী ঊ অমসুং তোংশাসি ক'প্লসমু। তৌইগুমসুং ঐখোয়গী মীৎ ফংনত্রিবা অতুমদি কংগদবনি ঐখোয়না অশেংবা জ্ঞানগী মিকপ থোকপ অমসু অকা-অপুনশিংদগী মপুং ফানা নীংতম্বগী ফংগদবনি।

ভিক্ষুশিং, মসি মখোয়গী মশাবু করম্ব সাধনা তৌগদগে হায়বগুনি।

(অঙ্গুত্তরা নিকায়া)

---

(৩০)

পুক্চেল চাউন থিব

ভিক্ষুশা, থিব হায়বসি পুকচেল চাউবা অমা পুকচেল চাউদবা অমা অনি শুরি।

পুকচেল চাউদনা থিবগুম করিনো? মশামক অমুক হুম্না পোকদবা কনাগুম অমা অমন থাদৈশেংনা চাইহাক্তংগী ওইবা পোৎশিংবু তাম্বা অতু থমরমি। মশামক তেক-কায়বা, লায়না, অয়াবা অমসু শিবা নাইরবদ মহাক্ন হায়রিবশিং জাসিদগী চুম্বা কত্তবশিংবু তাম্নরি।

মহাক্ন মচু, মচা, শা-ঘনশিং, লম-দুব, সরা-নচিংব মহোংব নাইব অরেপ্প মতমশিং অমি পাবই। অসিগুম থিবশিং মখি পূকচেল চাউদনা থিবনি।

পূকচেল চাউনা থিবচদি করিনো?

মহাক মপামক এম্ব পোত্তনব কনাগুম মুপা অমম অহোংব নাইবশিংগী কোইশিনব, লাননা, অরাব, অশিবমচিংগী কত্তবশিং অসিমু থারোক্নম হোংনবচুমনি। মহাক্ন অরেপ্প লৈতব শান্তি অমদি অহোংব, অনাব, অরাব; অশি-অনা লৈতব মুক্তিমু ভাবগ্নি। অসুম্ন থিবসি পূকচেল চাউনা থিবনি।

(অরিয়া পারিয়েসানা সুত্র)

---

(৩৯)

সমূদ্রগুম্ব ধর্ম্ম

মতম অমদ মহাক কংলব ইবুঙো অসিন মহাকী পাউভাকশিং অসিমু সমুদ্রগ চাংনম্নচুন মহাকী শিষ্যশিংদ হায়খি।

১। অচৌব সমুদ্রন মাগী পাক-চাউরব মথৈ অচু মতম পুম্নমক্ক কংব অমসু মদুং ভাব নাইদন লৈ। মতৌ অসুম্ন, ধর্ম্মদ নীতি অ-সু সাধনশিং হেগৎলক্কুনমসু জ্ঞানগী শিংমা অচু য়োংদে।

২। অচৌব সমুদ্রন মতম পুম্নমক্ক মপুক ঊম লৈ অমসু কদৌগৈদ মাগী মপাম্নু পাথোক্কে। মতৌ অসুম্ন, ঐগী নিয়মশিং অসি থাথলগী অরেপ্পশিংনি-অমসু কদৌগৈদসু নিয়মগী শিংমা অচু পাথোক্কে।

৩। অচৌব সমুদ্রন মীগী অশিব মপাশিংবু মাগী মপান্দ হুদংদি। মতৌ অদুগুম, ঐগী সংঘ অসিদ শেংবদ মীওইশিংগী মফম লৈতে; অদুন মসিদগী তাদোকই।

৪। চাউবা সমুদ্রন গঙ্গা, যমুনানচিংবা অচৌব তুরেলশিংবু চঙলকম মীচুন মশক মথিং থাডবদ্রি। অদুগুম বিদ্যুগী লৈবিব বর্ণ মরি অদু ঐগী সংঘ অসিদ তিলবদ মশক মথিং থাডই।

৫। অচৌব সমুদ্রন লোং হায়ু ভারবস্ত ভাত্রবদু কদৌতৌদ মহেং তাদে অমদি চাউব হেনগদে। অদুগুম, ঐগী সংঘ অসিদ নমথিং ওইবিব অরায়-খুবম হায়বচুদি হেন্দোকপ লৈতে, তাবদু লৈতে।

৬। অচৌব সমুদ্রন মতম পুম্বক খুবকিগী মহাওদা লেঙবনা লৈব ধর্মগী মহাওদি মমীং তব হায়বসিনি।

৭। অচৌব সমুদ্র অসি মশীং লাকতবত্রব মণি-মুক্তা কয়াগী পুকৈ ওইবগুম ধর্মগীস্ব পুক্লীংগী ঈবৌ মরি, শক্তিগী মরম মরি, সুভাইব মখল মতানচিংব মুক্তা কয়ামুক লৈ।

৮। অচৌব সমুদ্রদ অচৌব জীব কয়াগী লৈফম ওইবগুম্ন ধর্ম অসিদু অচৌবদ পাঙথোকপ সাধুশিংগী লৈফমনি।

ভিক্ষুশা, ঐখোয়গী লমৌ নিপালগী মনুংদ মাওবিব অচকপ কদবশিং অদু মসিনি। হে ভিক্ষুশা, ধর্মগী হাত্র ওইচুদ সুভাইবু!

(উদানা)

ধর্ম্মগী চাংয়েং

ধর্ম্মগী চাংয়েংগী মরমদ তাকলদুনা থোজাল্ল ফংলব অসিনা মহাপ্রজাপতীগী মফমদ অসুম হায়রম্মই—

মখোয়শিং অসিদি ধর্ম্ম নত্তে :

উপদেশ্য অমদি খোইমশিন অতুম কাযপ মরি লৈনরব, কামগী ওন্ন-তৈনব ওইজরব, পূমশিনব ঙমরব, থাদোকপগী বা নরব, সংসারিক সম্পত্তি হেনগৎনব ওইরব অমসু মচু চম্মনব ওইজরব, শিংখৌব, পেন্নবগী মরম নত্তনা পেন্দনবগী মরম ওইরব, অচিকপগী মতুঙ্গ অয়াওব ওইরব, লৈনিংবগী মতম তকুনবগী মরম ওইরব, অকমদ সুংঙাইবগী মতুঙ্গ কত্তবদ মূঙাইরব, অসিগুম্বশিং অসিগী নমকুদি মহাক্না কম হায়রব য়াই — "মখোয়শিং অসি ধর্ম্ম নত্তে, মসি গুরুদেবগী পাঙ্ভেন নত্তে।

তৌইগুমদুং মখোয়শিং অসিদি ধর্ম্মনি। পাঙ্তাক অমসু পাঙ্ভেনশিং অদুগী মদুংদে মহাক নশামক্ল পাঙথোকপ ঙম্ব, মথকোশিং অসিগী ওন্ন-তৈনব ওইরবদি মহাক্না কম হায়রব য়াই : মখোয়শিং অসি ধর্ম্মনি। গুরুদেবগী পাঙ্ভেন অমু মসিনি।

(ভিনায়া পিতাকা)

ধর্ম্মগী পাওতাক

মতম অমদ থূরংগী লুচিংব অমন মণ্ডাল কংলব অ'মদ হংজরকই :—

তথাগত, মহাক্ক সংঘারগী থরাই পানব পুন্নমকসিবু চপ মান্নন শুংশিবিব্র ?

হোয়, লুচিংব মপা, মণ্ডাল কংলব মহাক্ক খুম্বিরমই।

অদুবু মণ্ডাল কংলব ইবুঙোনদি ধর্ম্ম অসি মী খরদন মপুঙ ফান তম্বীব অদুগ খরদন মপুঙ ফাম তম্বীদব হোত্রা ?

লুচিংব মপা, বৌদ্ধিক মতমগী লবুক অহুমথক লৈ হাম্নন খংলসি ; অমন লৈহাও য়াম্ন চেল্লি, অমন ময়াম ওইন চেল্লি, অমন ইচেন চেনদে। অদুগ লবুক অহুম অসি মতম কয়থন হাম্ন মরু হুনগদগে ?

লৈহাও চেনব অদুন হাম্ন হুনগনি, অদুদগী ময়াম ওইব-হুন মথংদ, চেনদবহুন কোম্ন হুনগনি ইবুঙো।

মতৌ অসুম্ন লুচিংব মপা, লৈহাও চেনব লবুকশিংগ চপ মান্নব ভিক্ষুশিংদ ঐন ধর্ম্ম তম্বী। অদুদি করিগীনো ? মরমদি মখোয়ন মতম পুম্নমক ঐহোন্দগী চঙজকম অমম্বুং মণ্ডাল পামই।

অহুন ঐহাক্ক অচব সধারণ শিষ্যশিংবু য়াইমরণ ওইব লবুকশিংগ মান্নন তম্বী। অদুদি করিগীনো ? মখোয় অসিসু ঐহোন্দগী চঙকম অমসু মণ্ডাল পামই।

অদুগ ঐহাক্না হৈবাও য়াওবা লমুকশিংগ মাইরব ব্রাহ্মণশিং অমসুং অতোপ্পা কাংলুপকী মীওইশিংবু থম্মী। মরমদি মখোয়না ধর্ম্ম অদু থওনবদি অচুম্বা চতফম্ব অমদি মতাম অদু কংজবন মখোয়গী মপুঙ্গিগী লমজিং ওইবা থবকপনি।

(সামযুক্তা নিকায়া)

---

(৩৪)

নির্ব্বান হায়বসি করিনো ?

হে ইচিল-ইনাওশা, মসিদ লম্ অম লৈরে, মদুদ লৈবাক লৈতে, ঈশিং লৈতে অমসুং নুংশিৎ লৈতে।

মসিদ লম্ অম লৈরে, ইচিল-ইনাওশা, মদুদ মপান মাইক্রব অশাংবা অসি লৈতে, মপান মাইক্রব জ্ঞানগী সংসার অসি লৈতে, অশেংবা জ্ঞান্ লৈতে, শেংদবসু লৈতে, পৃথিবী অসিসু লৈতে। অতেপ্প অমতসু লৈতে, নুমিৎ লৈতে, থা লৈতে।

অদুগুম মফম অদু ইচিল-ইনাওশিং, লাকসু লাক্তে, চৎসু চৎতে, পোক্তে, শিদে। হৌরকফম লৈতে, লোইফম লৈতে। ৱাখলগী ৱাংমদা লৈ। অরাব পুম্নমক্কী মাওনফমসু মদুনি।

ইচিল ইনাওশা, মফম অদু পোকপ লৈতে, শেপ লৈতে, থুহম্ চন্দে, সিন্নমগী মথা পোন্দে। অদুন পোকপ নাইবা, শেপ নাইবা, মওঙ য়ামথবা, সিন্নমগী মথা পোনবা পৃথিবী অসিদ অশেংবা জ্ঞানসু লৈতে। হায়রিবা মফম অদু নির্ব্বাননি।

(উদানা)

জ্ঞান তারকপ ঃ য়েবসি করিনো ?

মতম অমদ মতাম কংলব ইবুঙো অসিন কেসাবিগী মনাক শিমলাপাগী উমংদ লৈরমই। মকম অচুম মথুম শিমলাপাগী উনা থম পাংমহুন তাম্বকই— ইচিম-ইনাওশা, নখোয়না কাব থনবগে? ঐগী খুত্ত পাঙ্বিব উনাশিং অসিগ অদ উমংদ লৈরিবসিগ কনান মশীং য়াম্বগে?

য়ামখিত্রে, য়াম্ন য়ামখিত্রে ইবুঙোগী শিমলাপাগী উনাশিং অচুমি। আদ উমংদ লৈরিবশিং অসিম কা-য়াম মশীং হেনববে।

মথংদ মতাম কংলব ইবুঙো অসিন জ্ঞান তারকপগী অচুম অহু মথাগী অতুম্ন হায়খি।

মতৌ অসিগুম্ন ইচিন-ইনাওশা, ঐহাক্ন নখোয়দ তাবিব্রব জ্ঞান অসিদি থজিত্তনি। ঐহাক্ন থত্তনিব, নখোয়বদি হায়দোক্কিব অসিগ চংদম্নবদ হায়দোক্লিবশিদি য়াম্ন য়ামখিত্রগনি, মহুদি ইচিন-ইনাওশা, ঐহাক্ন মখোয় অহু নখোয়দ করিগী হায়দোক্কিবনো?

ঐহাক্ন নখোয়দ য়াকয়ুংন থত্তহনত্রি — মরমদি মখোয় অহু নখোয়না মপুক্ত কান থত্তব ওমল্লোই। মখোয় অহু অশেংব পুন্সিগ মরি লৈংদে অমসুং মচুন মায়াগী থৌজি কত্থংপ, মপুক্তাব চংলেম্ন, মপুক্ত কান অশিংব ওইব, মুক্তিগী লমজিংব মক্ন ওইব নত্তে। মরম অসিননি ঐহাক্ন নখোয় অহু নখোয়দ তাকখোক্কিব।

অদুগ ইচিল-ইনাওশা, করিদি ঐহাক্না মখো'য় তাকখোক্রে? মকুম খুদিংদ অয়াব নৈ; অপাম্ব থাবকশিদ অয়াব পোক্নগী মরমনি; অপম্ব নৈতবদা অয়াবমু থাওজরি অমসুং ধর্ম্মগী নিয়ম-শিংদা অপাম্বদু থাওজরি হায়বসি ঐহাক্না মখোয়বু তাক্লে।

মপুংফাবা শান্তি ওইবা, মপুংফাবা জ্ঞান, মুক্তি লমদিং ওইবা মখোয়না শে:ন থওয় তব অদুবু, অশোংব পুক্নিং থবি নৈনব, অদুদং মায়াগী পন্ লানখোকপদ কাম্বা অদুবুং ঐহাক্না মখোয়বু তাকখোক্লবনি।

(সুত্র নিকায়)

---

(৩৬)

ঐ

ভিক্খুশা, হকচাং অসি "ঐ" হায়বত্তা নত্তে। করিগুম্বা মসিনা ঐ হায়বদু ওইরম্লবদি মসিদা অনাব নাইবগুম্বা নাব-নাইদবা হায়বদু ওইরমগদবনি।

মরোম অসুম, ভিক্খুশা, ইন্দ্রিয়গী অপাম্বা হায়বসি ঐ নত্তে, ইন্দ্রিয়গী খোজ্জদ থওব হায়বসি ঐ নত্তে, অদুগ শাগৎলিবশিং অসিসু ঐ নত্তে—মরমদি মখোয়শিং অসি অনাব হায়বদু ওইরব য়াই।

ভিক্খুশা, মখোয়না খোজিক করি থম্লি; হকচাং অসি মতম-চুপ্পীরা নত্রগ মতম থবদগীরা?

মহাক্না হংলব ইবুঙো, মসিদি মতম থরবংগীনি।

অদুদি মতম থরবংগী ওইবসি অৱা-অনাগীরা নত্রগ সুংছাইবগীরা ?

মহাক্না হংলব ইবুঙো, মসিদি অৱা-অনানা থল্লবনি।

তৌজিক্তি ভিক্ষুশা, মসি থনব রাগে মতুদি কদাইগুম্ব মতম থরবংগী ওইব, হোংব নাইব অমসুং অদুগুম্ব অৱা-অনান থল্লব অসি ঐগী নি, মসি ঐন ওইরিবনি, মসিবু ঐংরা ?

নত্তে, মহাক্না হংলব ইবুঙো, মসিদি ঐ নত্তে।

মতৌ অদুগুম্ব ভিক্ষুশা, ইন্দ্রিয়গী অপাক, ইন্দ্রিয়গী জ্ঞান, থবক অমসুং শাগৎপ নাইরিবাশিং অসি ঐ নত্তে—মরমদি মখোয়শিং অসি শিৎ-তাব অমসুং অহোংব নাই।

তাও, ভিক্ষুশা, হকচাং অসিগ লেক মরি লৈনব মথৈ হোংব নাই। মসিদি হোজ্জব, হৌজিক ওইরিব, অমসুং তুংদ ওংদকপব অদুনি। অপুনব নত্রগ মতেং, পুক্রীংগী নত্রগ মপাকগী, অকব নত্রগ মত্তব, অরাংম নত্রগ অনকপ হকচাংগ মরি লৈনব পুম্নমক অদুম্ব খোংগদবনি: মসি ঐগী নত্তে, ঐ হায়রিবসি নত্তে, মসি ঐ নত্তে।

মরম অদুনা ধর্ম্ম চৎপশিংনা হকচাং, ইন্দ্রিয়শিং, ইন্দ্রিয়গী জ্ঞান; থবক অমসুং শাগৎপ নাইবশিং অসিবু য়াদে। অসিগুম্ব য়াদবশিং অসিনা মখোয় অপাক লৈতব অম ওইহল্লি, অপাক লৈতবনা মাবু মনৌং তকল্লি অমসুং নীংতম্বনা অশেংব জ্ঞান অদু ফংব ঙমই। ঐদি শোকপ শিব অমসুং হোংব নাইবশিংদগী হেনৌং ঙমই।

(ভিনায়া পটাকা)

তথাগত

ইচা-সুপা, করিগুম্বা মৈ অম নত্তগী নমাওদা চাক্লবদি মহাক্ল মহু উব তথাগত্র ? মতাম কংলব ইবুঙোহুন হংলক্লবই।

অহোই, ইবুঙো গৌতম।

অদুগ মৈরি অদু ওইরকপগী মরমদু নত্ত খঙলব্র ?

অহোই; ইবুঙো, মহুগী মরমদি উ অমসুং নাপি-শীংবিশিং অদুনি।

অদুগ ইচা-সুপা, মৈ অদু মুৎপ্রবদি ?

অহোই. মতাম কংলব ইবুঙো।

অদুগ মৈন মুৎপ্রবদ মহুন চৎখিবম নোংপোক, নোংচুপ, মথ-অথাং মায়কৈগে খঙব্র ?

থাহং অসিদি হংনদেন ইবুঙো। মৈন চাকই—মরমদি শীং অমসুং নাপিশিং থাওরি। অদুগ শীং পুম্নমক চাকপ্রব মতুংদ মহু অদুম মুৎচখি।

মতৌ অদুগুমদুন, ইচা-সুপা, তথাগতকীসুনি।

তথাগতপু পুথোক্লবগী জ্ঞান, পুক্নীংগী থাথল, থৌইনশিন পুম্নমক কনাগুম্ব অমন থাবু পুথোকপ য়াই—মহু পুম্নমক্ল তথাগতপু পুথোকপ ঙম্লোই। পুক্নীং, জ্ঞান, খঙব, থৌইনশিন পুম্নমক নমাৎত তমউ। তথাগত হায়রবসিদি সমুদ্রগুম্ব খুদুপ থাদুন ওনব য়াদে।

তথাগত হায়বসি থাজেশেংবা লৈরকাওবদ থওব ওবদনি। মহাক্কি ওবদৈ নাইব, মীওইবনা য়েংব ঙমদব মীশক অমনি। মহাক অসি ওই হায়বসু যাদে; ওইদে হায়বসু যাদে; ওইবসু ওইদবসু ওই। অসিমক নংবহুম্সু ওই; ওইসু ওইদে।

(সামযুক্তা নিকায়া)

---

(৩৮)

পোৎ পুম্নমকসি মৈথক্তা লৈ

মতম অমদা মহাক কংলব ইবুঙোসিনা গায়াদা মতম থম্ব লৈরিঙৈদা ভিক্ষুশিংগী মরমদা অসুম হায়রম্মই—

ভিক্ষুশা, পোৎ খুদিংমক্না অসি মৈথক লৈ। মিৎ অসিসু মৈথক লৈ। মিংনা থওব, উরিব মওঙশিং অমসুং মসিনা লৌরিব কিয়েপশিং পুম্নমক মৈথক লৈ।

কদায়দগী মথোয় মৈথক লৈরিব?

মথোয় অসু অপাম্ব, অশাওব, তুবক্কব, অপঙব, অরাব, তেংবাব অমসুং মীৎব কায়বশিং অসিগ লোয়নন মৈথক লৈ। ভিক্ষুশা, না অসি মৈথক লৈ; নাহনা থওব, মসিনা তাব্রিব থোরেল অমসু খোয়াং পুম্নমক মৈথক লৈ।

মতৌ অমুম, ভিক্ষুশা, নাতোম অসিমু মৈথক নৈ। নৈয়েং অসিমু মৈথক নৈ। হকচাং অসিমু মৈথক নৈ; পূক্লোং অসিমু মৈথক নৈ; পোৎ থুদিংমক মৈথক নৈ।

ভিক্ষুশা, অশিংবশিংন মসি থজহন মিৎ, মিৎনা থজব, মিৎন পৌব, মিৎন কাওব মুত্তাইব-মুত্তাইতব পূম্নমক্কী হৈদোই-জ্জন মমাম্ন নৈথোক্কে।

মতৌ অসুম্ম ভিক্ষুশা, অশিংব মীশিংন নতোন, নৈয়েং হকচাং পূক্লোংগী মরিনৈনবশিংদগী মমাম্ন নৈথোকই। অদুগ মসিগী মায় নৈথোকপ অসিম মহাক্ন অদুবু মনিংড তমহেল্লি। মহাক্ন মনিংড তম্লবদ মহাক্কী হম্ন হম্ন পোকপদগী চক্র মতুগী মথ পোক্রে অমসুং অমুক হম্ন সংসারিক অম ওইক্রে হায়বসি থজই।

(মাহা ভাগা)

---

(৩৯)

লাম্নোক্লবা লম্বী

ভিক্ষুশা, ঐহাক্ন নখোয়দ লাম্নোক্লব, ৱাংম যৌনব ধর্ম্ম অমু তাকে; ভুংদ নৈহৌননবগী নত্তে। পূক্লোং চজন তাও।

কনাগুম মুপা অমম চৎথোকপদ অরুব, অপাকপ ঈশিং ঈচেম অম থেংনরে থম্ভ। অশোম ৱাংমগী মপান অমুহুদম

কব, থুদোংথীবিশিংগী লৈতব কেন্নি। মহাক্না লৈরিব মপান্ অমুদি থুদোংথীব, অকিব য়াম্না লৈরে থম্লসি।

মসু লাম্হোক্লব থোংম্ন হিন্নু অমত্ত লৈতে। অমুদি নুপা অমুন করি তৌব তাই?

থুদোংথীব মপান্ অমুদগী অকব মপান্ অসু য়েৌন লান-ন্নবগীদমক নুপা অমুম উ অমস্তুং মাপিশিংন পোং অম শান্নগ মমুগী মতেংন ঈচেল অসু লাম্হো'ক্লব থোংনগনি।

লাম্হোক্লব মতুংদ পোং অমু মতোন্দ য়ায়্না কান্নব উপাই অম ওইরে, অদুন পোং অমু মথাক্তা লম্বীদ মকোক থোক্তনুন নত্রগ মরেংবান্দ হাপকত্তুন পুথিগদ্র থনবদ মমলে।

ভিক্ষুশা, নখোয়্না নুপা অসি করম তৌগনি থল্লি? পোং অমু মহাক্ন করম তৌগনি? থাগী লম্বীদ মসু মকোক নত্রগ মরেংবান্দ পুগদ্রা?

নত্তে, মথাদ কংলব ইবুঙো।

ভিক্ষুশা, ঐহাক্না নখোয়্দ তাকইবসিদি ধর্ম্ম হায়্নবসিনু পোং অসিগুম্বনি। মসিন নখোয়্বু লাম্হোকপদ বাংম য়েৌবদ তেংবাংগনি, তুংদ কৈহৌনব নত্তে। নখোয়্নন অতোপ্প মপান অসু য়েৌরগ ধর্ম্মন ওাক্লিব অচুম্ব পুক্নীংগী থিবমশিং য়েৌরগ অসু থাদোকদবনি।

(মাজ্জহিমা নিকায়া)

হিংবা অমসু শিবগী তুরেলশিং

ভিক্ষুশা, পৃথিবী অসিদ মী মখল মরিথক লৈ। চেম-থরিব ঈচেল অসিগী মতুং ইন্ন চৎপ মীওই লৈ। ঈচেল অদুগী মায়োক্ত হঙ্গৎন চৎপ কাংবুসু লৈ। অদুগ, ঐ হায়রবসিগী অরেম্ব থশক থজব মীওইসু লৈ। অরোইবদ ঈচেল অদু লান-খোত্রপ ঙাংমগী অকংব লমদ লেম্ন মীওইসু লৈ।

ইন্দ্রিগী মুত্তাইবদ পুক্নীং চঙব কাংবু অসি ঈচেল অদুগী মতুং ইন্ন চৎপ কাংবুনি।

ইন্দ্রিগী মুত্তাইবশিংদ লুপ্তুবশিং অসি ঈচেলগী ওন-থৈনবদ চৎপ কাংবুনি। মহাক্না কত্তব থবকশিংদ চঙদে অমসুং মশাবু মতোমত্ত শেংদোকচবর হোৎনৈ।

অদুগ ভিক্ষুশা, "ঐ" হায়বসিগী অশেংব মওং কংলব মীওই-চুদি কনানো? মহাক অদুদি সংসার অসিদ মহাকপু কাজিল-শিব মচাক মঙ্গাবু মাঙহল্লব মীচুনি। মহাক অদুদি নির্ব্বানগী থাক্ত কাখৎলব মীওইবুনি। মহাক্তি কৈদৌঙৈদসু সংসার অসিদ অমুক হল্লক্লোই।

অরোইবদ ভিক্ষুশা, লাম্লোক্তুন অমুক হল্লক্তন চৎপ্রব অদুগী মরমদ তাবো। মহাক্কী অথোইব জ্ঞান অদুন মহাক্তু পুক্নীংগী অমম্ব থম্মোয়গী নিঙতম কংলদুন অপনব পুন্নবক কোক্তুন অমত্তু ওইব জ্ঞান কংলদুন মদুগ মুত্তাইন লৈ

ভিক্ষুশিং, নখোয় অদি সংসারদ লৈরিব মী মখল মরি অদুনি।

(অঙ্গুত্তরা নিকায়া)

অরোইবা ধর্ম্ম সভা

মতাম অমদা ইবুংঙোদুন মহাকী মাঙবা নাইদবা হকচা অসি থাদোক্লিংঙৈদা মহাকী শিষ্য আনন্দগী মকমদা মথাগী বু হৈশি অসি হায়খিরমই :—

করিনো আনন্দ, ভিক্ষুশিং অসিদা ঐহাক্না নির্ব্বাণগী মরমদা পুম্নমক তাকলমজ্রবদি মথোয়না ঐবু অরোইবা নির্ব্বাণ অদু ফংলরোই নিঙজ্রা? ঐহাক্না অচুম্বা মথোয় খুদিংমক্কী থেমবা অমসুং অথাকপা লৈতনা তাকখ্রবনি।

ঐহাক্না ওজা অমা ওইনা করিগুম্বা অ:য়ানবা, অথাকপা অমম্বা থমজ্রবনি। থোইদোক্না, ঐহাক মিকুপ অমতমু সংঘ অমগী লুচিংবনি থম্লুদে নত্রগ সংঘ অদু ঐগী ইথা পোনবনি থম্লুদে। অদুনা ঐখোইদগী করি পাউতাক অমযুক আশা তৌনিঙ্ঙই লৈরি?

ঐহাক্কি হৌজিক অহেন ওইরে অমসুং পুন্সিগী লমশাং চংশিনবা লোয়শিন্নক্লদোরে। অমনবা, তেক কায়রবা গাড়ীবু হায়রাম অমদি চেকশিন্না থম্না চংথিনবা হোৎনবগুম্বা ঐগী হকচাং অসিসু মতম থম্না চংথিনবা থবনি

মরম অসিনা, আনন্দ, সংঘগী ভিক্ষুশিংনা ঐগী ইতেং অমুক পাম্নরোইদোবনি নত্রগ করিগুম্বা মপানগী মতেং অমত্তা

লৌরোইদবনি। মথোর মশাদ মশাগী মথা পোনজগদবনি।
অদুগ মথোয়না মশাগী লমী উমনব থাউটৈ চুখৎচগদবনি

অচুম্ব হায়বসি থাউমৈ অহু ওইন কয় পায়বু। সুপ্পগী
অচুম্ব হায়বদুগ মুক্তি থীয়ু। নঙগী হাংবদ লৈব করিশুম মতেং
অমস্ত য়েংগনু।

মকচাং অসিদগী পোক্লকপ অরাব, অনাব পুম্নমক থাংনব
তোৎনৌ। ইন্দ্রিগী সুভাইবশিংদগী থোরকপ অরা-অনা পুম্নমক
থাংনব হোৎনৌ। বাখল কিদম অমদি অতৈ পুক্নীংগী ঈহৌ-
শিংদগী পোক্লকপ অরা-অনাশিং থাংনব হোৎনৌ। করিশুম
কম্তব অম লাকপদ বিৎনা শিংঙ্, বাখল চঙঙ্, পুক্নীং চঙঙ্।
লৌজিকন্তু মক্ত্রগ ঔহাকু লৈত্রব মঙমদন্তু, আনন্দ, কনাগুম্ব
অমম আত্মাগী থাউটৈ পায়দ্ধুন চৎনব, আত্মাদ চঙজরব অমসু
অতৈ চঙজকম লৈত্রব, ধর্ম্মগী থাউটৈ খনি পায়রব, ধর্ম্মদ চঙজরব
অতোপ্পদ চঙজকম লৈত্রব ভিক্ষুশিং অদু নির্ব্বান কংগনি।

(দিঘা নিকায়া)

বুদ্ধগী ৱাহৈশিং

খ্বাইদগী মরুবা কৈরিবসি নুংশিবা থওবা থম্মোয়নি।

হকচাং কয় হায়বসি খ্বাইদগী অচৌবা ফবা অমনি, অদুগ নির্ব্বাণ হায়বসিন খ্বাইদগী চাউবা নুংঙাইবনি।

জ্ঞানিশিংবু সেবা তৌবা, অপঙবশিংবু সেবা তৌদবা হায়বসি খ্বাইদগী চাউবা মরলনি।

অপায়রসিগ মায়বা হৈ অমত্তু লৈতে, তুবচ্চবগ মায়বা লাইংবক থীবা অমত্তু লৈতে। অপেনবগ মায়বা নুংঙাইবা লৈতে।

অপায় লৈতবা মীদ অকিবা লৈতে।

কনাগুম্বা অমন অতোপ্পবু মীনথীদসনু; কনাগুম্বন অতোপ্পবু তুবচ্চদসনু; কনাগুম্বন অতোপ্পগী মাঙনবা তৌবা অমদি থনবা ওইদসনু।

অকপ হায়বসি করিনো? মিহৌদবা, কত্তবা য়াথঙ লৈতবা হায়বসি অকপনি। চুম্না থওবা হায়বসি অকপনি।

মীনাই ওইবা হায়বসি করিনো? মসি য়োৎ, বাপি মত্তুগ তুগী মপৈ মপৈ নত্তে মকশিন্নবা হায়বসি মীনাই ওইবনি।

লমুক অমবু কওবা মনা-মশিংন মাঙহনবগুম্ব মী অমবু অপাংবদ মকশিনবন মাঙহল্লি।

কনাদি দুখাই? মায় পাকপ অমসুং মায়থোব নৈত্রব অপেনবদ ওইরব মথাক অদু দুখাই।

অরাব হায়বসি দুখাইবদগী পোকলকই; অফিব হায়ব-সিসু দুখাইবদগী পোকলকই। দুখাইব পাবদগী মনিঙ তম্লব মথাক অদু অরাব অমসুং অফিবদগী মনিং তম্লবনি।

ঐ অম নৈ চাক্রক্রবদ উচেকশিংন মথক্ত করম্ব তোংব তমগনি? ইন্দ্রিগী অপাম্বন কোইশিল্লব মফমদ অচুম্বন লৈব তমদে।

হে ভিক্খুশিং, নখোয়গী নত্তবমথৈ থ দোকউ। নখোয়গী শান্তি অমসুং অকবদি নখোয় অদু থাদোকপদ লৈরবনি। অদুগ নখোয়গী নত্তবদি করি নৈ? হকচাং অসি নখোয়গী নত্তে, ইন্দ্রিন কাওব, পূক্লীংন থত্তব, অম অসিসু নখোয়গী নত্তে। নখোয়সিসু অমমম থাদোকউ।

মমা-মপা ক্ত্রগ মচি-মতাশিংন তৌবিব তমদবশিং অচ নিংথিন লাকশিল্লব পূক্লীংন তৌব তমই। মসিন মী অমবু ৱাংথহনব তমই।

মী মশা মতোমতন কংহন্দ্রে অমসুং মশা মতোমতন শেংহন্নি। অশেংব শেংদব হায়বসি মীচুগী মথা পোন্নি। কনাগুম অমতম অত্তে মবু কংহন্দব অমসু কহনব তমদে।

মীশিংন চকাইকম থোকপগীদমক ইকাইদে। অদুগ ইকাই-কম থোক্তবশিংগীদমক ইকাই।

হকচাং অসিন তৌরে কণ্ডবশিংদি হুরানবা, মুগী-হূপাগী মরিদ চোপ্লব অমসু হাৎপসিনি। মৈফেং অসিগী কণ্ডবদি মীনম ঙাওবা, চৈব অমসু মীর ঙাওবসিনি। পূক্নীং অসিগী কণ্ডবদি কল্লক মিৎৌব অমসু তুকচ্চবসিনি।

কণ্ডব পূম্নমকপী ঙাকথোক্লব, অকব থবক পাঙথোক্লব অমসু পূক্নীং শেংদোক্লব—মসি তথাগতকী পাউজাকনি।

অচুম ঙাওবু, শাওগনু, খজিক্কংবু মৈরবা কাওবদ নিংন্নবদি পিদু।

কোইহ্লেংন য়োৎপু চাথৎপগুম মী অমগী কণ্ডব থবকশিংদুন মাগী মরাইবক হায়বজু ওইহনি।

অরা-অনা হাম্নবসি কণ্ডবশিং অদু পুনশিন্নকপনি।

অতোপ্পবু অরা-অনা তাহনব মী অদু কদোমৈদসু মুঙাইব ওইদে।

মাখল তৌব হাম্নবসি মশিবগী নম্বী চৎপনি, মতমগী মাংখদ মৈব নম্বীদুনি।

মীন মশাগী মপুংদ মশাবু মতি ওইহনবৈ, মমব অদুন মশান মশানীদবক মশাগী মপুংদ অয়ান-খুডম পীবগনি।

অপান্থ মৈত্রব, থওদব, চিংনব মেওয় মহাক অদুন শিব নাইদব কংই—মহাক অদুনি ঐহাক ব্রাহ্মণ কৌদ্রিবনি।

অকনব মুংশিও চৌঙ্কুম থেঙনবগুম অমাং মৈবম পণ্ডিতন খাগৎপ অমসু মরানশিবদ লেপ্লবে।

জান লৈরব মী অদু কনানো? বাটৈগী কথব কথাবগী মথা পোত্রব, অকিব কোক্রব, থর্দ্দর অয়েঙ্গ লৈরক্রব মহাক অদু অশিংবনি।

মতু তারপ কনাগুবন শান্তি ফংব, অর্থ লৈব বাটৈ অমতংপ য়েংনবগ অর্থ য়াওদব বাটৈ লিপিংগী কায়কম লৈতে।

মবৈ হৈতব সুপ অম অহন ওইরবনি, তোইগুরস্থং মহাকী জানদি অহন ওইরক্রোই।

অহানবদ নশা নতোমতন অকব কল্লিনো হায়বসি লেপ্প; অদুম তৌরবতদ অতোম্নদ হায়বু।

ঐখোয়গী কল্লিস্থ লৈজবব ঐখো'য় সুতাইদ হিংসি।

অমম্বন পুয়মকপু ফুপঞ্চুন নতন থাউবৈ হায়ব অমবু অমুক থিত্রে।

কনাগুব অমন কোজোন অমসু নিংশেন য়েংবগুম সংসার অসি য়েংই; অদুন মহাক্ল অশিবগী মপু ইবুঙো অদুবু উবা ঙমদে।

পৃথিবী অসি থিং তাংলক্লি। মকম অসিদদি শেংন উব ঙমদে।

পৃথিবী অসিদ লোৎপ য়াব কতব থবক অমত লৈতে।

আনন্দ, নশান নশাবু মীমমগম; পুন্সি অসিদি অরাব তাক লৈ। অদুন হেক পোকপগ অতাংন কল্লিব অসি অচুপনি।

মপান্নিখোংগী হকচাং অসিসি মতম থয়গীকসি। মতম থাংদগী ওইবশিং অসি অযাবসি। অত্তুপ অরাবশিং অসি "ঐ" নবে।

নিংথৌগী দোলাইসু মচুকই, মতৌ অদুগুম, হকচাং অসিসু হমুরকই, তৌইগুমসুং অচুম ধর্ম্ম হায়বদুদি মনম লৈতে।

কুট তরুক শাংব হকচাং অসিদ মাগী ইন্দ্রিয়শিং, রাথল, ফিদমশিং, অসিন পৃথিবী অসিবু পুন্নি। পৃথিবী অসিগী থৌরককম লোইকম অদুগ মদু কংনবগী লম্বী অত্তম মসিদ লৈ। বুদ্ধন নপোন্দ লম্বী অদুদং তাকপিব ঙমই, অদুগ মদুগীদমক হোৎনব অদুদি নশাদনি।

নহাক্তী অরাব, অমাবগী মরম অদু ওইনিংবমথৌ ওইসনু, অত্তোপ্পবুদি শোকহনগনু।

মপুক লাম্নব মীদ ফিজাক পীবন ঐখোয়দ পাকল হেনগৎলকই, লাম্নবদ কি পীরগ ঐখোয়গী ফকব হেনগৎলি।

অচুবদ থাজব থম্মু অসেঙ্গ মদু চৎলু। মতমদি কমাগুম অহেন মাবু ওনথোক-ওনশিন তৌব, হেনগৎহনব মতদি তাথহনব ঙমদে।

লৌকিক তাবো, ধর্ম্ম হায়বদু মসিনি: করিগুম ওইরক-কদৌরিবদুগুম মসি ওইরবদি মসিদগী মদু থোরকই, অদুগ করিগুম ওইরক্লোইদৌবদু মসি নত্রবদি মসিগ মদুগ মরি লৈনদে।

অপেংব শিষ্য অমনা মখুম থাদোক্লুন সংসারিক অমগী মথৌ থাদোকপসি তত্তাইফদব নত্তে। তৌইগুমসুং "ঐ" হায়ব ময়াদগী মনিঙ তম অমসুং থম্মোই শেংবদি তত্তাইফদবনি।

ভিক্ষুশা, অশংব নত্রগ অচাংব নত্রগা অথোবা থম্বালগ ঔশিংদ পোক্লুনসু ঔশিংন কাজিনব ওযবদ লৈরাই থোংকই।

মতো অসুম্ন, ভিক্ষুশা, তথাগত ওইরব অমন সংসার অসিদ পোক্কুনসু মাসবু লাকশিল্লি অমসু সংসারিক্ক মাবু ফাঙ্জিনব তমদনা লৈ।

ভিক্ষুশা, তথাগত ওইরব অমন মহাক্ক তাঙবগী মতুং ইন্ন থবক তৌহ, মহাক্ক তৌবগ মহাক্ক তাঙবগ মায়ে। মসিননি মহাকপু তথাগত কৌরব।

অশেংবমক অচুম্ব হায়বাস অমত্তনি, অচুবগী অনিমুব অতোপ্প মখিং অমমুক লৈতে।

ঐ অমসু ঐবু হায়বাসগী থেম্নব লৈত্রব, মহাকী লৈতব অদু তৌত্রব মহাক অদু অশেংবমক ভিক্ষু ওইরবনি।

ঐদি মসিনি হায়ন থন্দবসিবু নীংতম কৌই।

ঐ হায়বাসদগী ঐগী হায়বাস ওইরকই। ঐ ওইরক্ত্রবদি ঐগীসু ওইরকলোই। 'ঐ' হায়বাস লৈত্রবদি ঐগী হায়বসি মাঙখিগনি।

ওইব লেপ্প হায়বসি নির্ব্বাননি।

ঐন হায়রি মচুদি নির্ব্বান হায়বসিন অহল ওইব অমসু অশিববু মাঙহল্লি।

নাম অমসু রূপ (মিং অমসু [illegible] অমসু [illegible] থঙলব মতম অদুদ ভিক্ষুশা তৌগদব [illegible] অমত্ত লৈত্রবনি।